(মহাকবি—ভারবির)

কিরাতার্জ্জুনীয়

(রূপান্তর)

(মহাকবি—ভারবিগী)

কিরাতার্জ্জুনীয়

(রূপান্তর)

রূপান্তরকার—
গভর্ণমেণ্ট সংস্কৃত বিদ্যালয়াধ্যাপক
শ্রীঅরিবম গোকুল শাস্ত্রী
ব্রহ্মপুর—ইম্ফাল

প্রকাশক রূপান্তরকার


১ম সংস্করণ

শকাব্দ—১৮৮৬

কোপী ১০০০

স্বত্ব পুষা প্রকাশককী মমল লুপা ২·০০

নম্ফম—সোল প্রেস শিংজমৈ ব্রহ্মা রোড ইম্ফাল।


Nehru University-Centre of Post-
2482

ৱাহৈ খরদং—

চৈরাক ৱায়েল মপুনা | অহিং-অশা চাং নাইনা
ইমুং মুনদবনি | ইংখোল খোঙজম্লবনি
লৈকাই কাইদবনি | লৈপাক্ পাকদবনি
প্রকৃতিনা উগল্লি | অহিং-অশা চাং নাইবা ॥

প্রকৃতিগী অহিং-অশা চাং চানা লৈনিংথৌ-নীশাংথৌ উচেক ৱায়ানা চিংবা খরাই পান্বা জীবপুম্বা অমসুং উবি-ৱাবি উপাল ৱাপালনচিংবা খরাই পান্দবা জীব পুম্বা ফীবম কাইদনা হিংতনা লৈবা ঐখোইনা উবি খংলি ।

চৈরাক ৱায়েল মপুনা | অহিং-অশা চাং কাইনা
ইমুং মগা লাবনি | ইংখোল পোরোম্ থোকপনি
লৈকাই অনি তাবনি | লৈপাক মচিন্ চোম্বনি
প্রকৃতিনা উহল্লি | অহিং-অশা চাং কাইবা ॥

প্রকৃতিগী অহিং-অশা চাং হেক কাইরকপদা মী-শা-ঙানচিংবা খরাই পানবা, উপাল ৱাপাননচিংবা খরাই পান্দবা জীবপুম্বা নাবকপা ফংলক্তবনা চিংবা ফীবম্ কাইরকপা অদুনা। কাহেম্না চাং কাইনক্লবদা শিবা ঐখোইনা উবি ।

মী ওইবগী থৌরাংদা | অহিং-অশাগী চাংদা
পোং কয়াবু চেলহল্লি | পোং কয়াবু পাইহল্লি
অহিং-অশা চাং কাইদা | চেন্বা ঙম্দে পাইঙম্দে
প্রকৃতিগী খোংচৎনা | লোশিং হাপ্লি মীওইদা ॥

প্রকৃতিগী খোংচৎশিং অসি উরুবদা মীওইবা ঐখোইদা অহিং-অশাগী চাংনাইবা অসি খংদবা য়াদ্রবা পথাপ অমা ওইনা লৈরবনি। মৈতৈ পাওরোদা হাইনৈ—

"ঈশিংনা থুবদি উরা-হুমদা॰ খাকপিরম্মি
মৈনা চাকপাদি পয়া-পরৈফাও খাকপিরম্মদে"

পাওবৌ অসিদগী খংবা ঙমই—ঈঃ য়াম্না শাগৎলিঙৈদা ঙাংবা-শক-পনচিংবা থবক অপুম্বদা মহৈ য়ানবা তাংনা খোক্নই, মহৈ য়ালহৌ-দ্রবদি মখা চৎখবদা ৱানা থোকই, অদুগা ঈঃ য়াম্না ইংথনা তৌরুবা থবক্তা মহৈমক যালহৌদ্রবস্তু মখা অমুক চৎখবদা মুংঙাইনা থোকই। মসী ওইবা ঐখোইগী ঈঃ অইং-অশা চাং চানা লৈরিঙৈদা তৌরুবা থবক খুদিংদা মহৈ য়ানবা শোইদবনি য়ানসু য়াল্লি।

· প্রকৃতিগী অইং-অশা চাং কাইরকপদা হাইবাদি শাগৎলকপদা নৎত্রগা ইংথরকপদা লাইযেংবনা চাং চানা লৈহল্লি, লাইযেংহৌদ্রবদি শাগৎলকপা অদুনা কা হেন্না শাগৎখিদুনা নৎত্রগা ইংথবকপা অদুনা কা হেন্না ইংথ-খিদুনা প্রকৃতিগী খোংচৎ লেপ্পা ঐখোইনা উবি। মসীওইবা ঐখোইগী ঈঃগী অইং-অশা চাং কাইরকপদা নীতি পথাপতনা লাইয়েংবা ওইদবনি।

নীতি পথাপনা করম তৌদুনা ঈঃ শাগৎলকপদু নৎত্রগা ঈঃ ইংথ-রকপদু লাইয়েংদুনা অইং-অশা চাং চানা লৈহনগদৌরিবনো হাইবদু খুদম অমা অনিদং য়েংসি—

ঈঃ শাগৎলকতুনা তুংগী চনিং মতেংনচিংবা ইবৈ লৈতনা থবক অমা তৌগে হেক· নিংলকপদা থবক অমা পাংখোকপদা পোৎলম মঙাশুনা লৈবা চংঙি হাইবা হাইবদি— ১ মতেং অমা, ২ খুৎস্তু খুৎলাই নচিংবা মরম ফবা অমা, ৩ মফমচাবা অমা, ৪ মতম চাবা অমা, ৫ চোইখ ঙানখরকপদা শোগৎপিবা অমা, হাইরিবা মঙা অসি শুনা লৈর-বতদা ঙাংবা শকপনচিংবা থবক অদু মহৈ য়াল্লি হাইবা—(**সহায়াঃ সাধনোপায়া বিভাগো দেশকালয়োঃ। বিনিপাত প্রতীকার সিদ্ধিঃ পঞ্চাঙ্গ ইষ্যতে**) নীতি পথাপ অসি হেক খম্বরুবদা তৌগে নিংলিবা, ঙাংগে নিংলিবা থবক অদুদা তুংগী চনিং মতেং লৈতবা মতম চাদবনচিংবা মঙা অসিগী মসুংদা অমা অনি লৈতবা হেক উবদা ঈঃ শাগৎলকপদু খংহন হম্বগনি, হনস্তু হম্বৈ। য়েংউ— নোং য়াম্না তারে

হাইত্রনা রাকচিং থাদা লৌ উনিংলে হাইত্রনা খোইত্রনা লৌ উরুবদা ফৌ লোক্কদরা? মতমচাদবনা করি নোংদা ফৌ লোক্লোই, অরেম্বদা অরাবত মওইগনি। নীতিনা হাইরি—নোংদম্বনে, নিপা থোকপনে, মতমচাবনে, অহুম অসি শুনা লৈরবতদা তৌরুবা থবক অদু মহৈ য়াল্লি হাইবা—(দৈবং পুরুষকারশ্চ কালশ্চ পুরুষোত্তম! ত্রয়মেতৎ মনুষ্যানাং পিণ্ডিতং স্যাদ্ ফলাবহং) নীতি অসি যেংউবদা ঈঃ শাগংপা হল্লগনি। মতম চাদনা রা ওাংবা শকপনা চিংবা অদু অবেম্বা ওই হাইবসি মৈতৈনা পাওরৌ ওইনা হাইনৈ—"মতাং চাদনা প্রেম থিংজল্লুবদা শিলুপ কাই"।

অদুগা থবক অমা তৌদি তৌনিংলে হাইরগা ঙম্মোই খনখিত্রনা ঈংদু ইংথল্লবদা- ঙমগে নিংলিবা থবক অদু ঙম্মোই খন্দুনা নিংহন্নগন্নু মতম লৈবদা লৌশিং ফববদা হল্লাংনবা লৈত্রবদা মী অদুদা থবক্কী মহৈনা মনিঙ্গুম্না খোংলোইননা লৈবনিকো লোইননা, হাইবা— (উদ্‌যোগাদনিবৃত্তস্য সুসহায়স্য ধীমতঃ। ছায়েবানুগতা তস্য নিত্যং শ্রীঃ সহচারিণী) নীতি অসি অমস্তুং তংতনবু চোংনববদি মপাঙ্গল লৈত ফাওস্ত মহৈচাবা শোইদনা ফংঙি হায়না—(বীরংহি সততোৎসাহী দুর্বলোহপি সংশ্রুতে) নীতি অসি অমস্তুং "শাইবা কল্লে ওইনম্মি খাংবা কল্লে ফনেন ফম্মি" হায়বা মৈতৈ পাওরৌ অসি অমস্তুং তৎতনবু তকশল্লক্রবদি সুংদস্তু তুমশল্লকই, হাইবা—(প্রস্তরোহপি ঘৃষ্যমানঃ ক্ষীয়তে) নীতি অসি হেক খঙ্গরুবদা ঙম্মোই খন্দুনা নিংহন্নরম্বা থবক অদু তৌনিংলক্কুনা ঈঃ ইংথখিবা অদু শাগংলক্কনি শাস্তু শাগংসি. ঈঃদু ইংথবদগী শাগংলক্কনা থবক্কী মরু (বীজ) অদু ঈশিং চাইদুনা নিংথিনা ময়োল চোংলগা মউ ফাত্রনা মহৈ য়াম্নবা চোংনত্রনা লৈনৈ! মতৌ অসুম্না নীতি পথাপনা ঈঃ অইং-অশা চাং, নাইহন্দুনা মীওইববু থবক খুদিংদা লমজিংবি, শাগুম্না মনিং তমহন্দে।

মপু ওইবনা মরোই মনাওনী রা মুম্না তাবগা থবক চংথগদবনি, চংথনিংবত কোক চংথবা য়াদে, মরমদি মপুওইবগী নাকোংদি মরোই-

মনাওনি হাইরি মতুদি—শানা মনম্না খংঙি, পণ্ডিতনা বুদ্ধিনা খংঙি নিংথৌনা নাকোংনা খংঙি, অপংবনা খুদোনবীনা চক্ থিন্নবতদা খংঙি হাইবা— (পশুঃ পশ্যতি গন্ধেন বুদ্ধ্যা পশ্যন্তি পণ্ডিতাঃ। রাজা পশ্যতি কর্ণাভ্যাং ভুতে পশ্যন্তি বর্ব্বরাঃ)। নীতিসিনা অচুগা "নিংথৌগী নাকোংদি ফক্লাংদা থেংলি" মৈতৈ পাওরো অসিনা মপুনা মনাইগী রা মুমা তাগনি তাকই।

চাওখৎনিংলিবা মীনা, ভুম্বা হিপ্পা, থবক্তা লোপবা; অকিবা, অশাওবা, অতনবা, থবক্তা ঙসি হয়েং য়ৈথোকপা, হাইরিবা মখল তরুক অসি থ দোকদবনি হাইবা—(ষড়্ দোষাঃ পূরুষেণেহ হাতব্যা ভূতিমিচ্ছতা নিদ্রা তন্দ্রা ভয়ং, ক্রোধ আলস্যং দীর্ঘসূত্রতা) নীতি অসিনা থবক্তা মনিং মখা তমহন্দে।

করম করম্বা মীশকপু করম করম্বা মওংনা ঐগী মীচংদা লৌশনগদগে? হাইবগী মরমদা তাকপা—লল-থুম পাম্বা মীবু ললথুম পিদুনা, সাধু বৈষ্ণব ওইবা মীবু খুংলোম্নদুনা, অপংবমীবু মাগী ফোরোই ইন্দুনা, পণ্ডিত ওইবা মীবু অচুম অচুম্বা হাইদুনা, ঐগী মীচংদা লৌসনগনি হাইবা—(লুব্ধমর্থেন গৃহ্নীয়াৎ সাধু মঞ্জলিকর্ম্মণা। মুর্খং ছন্দানুরোধেন তত্ত্বার্থেনচ পণ্ডিতং) নীতি অসিনা মী-য়ানবা লম্বীদা লমজিংবি।

মাগী থবক্তা করম্বা মীনা মপুক চংনা তৌনিংগদগে? হাইবগী মরমদা তাকপা—মথৌ তৌবা মীবু পেলহন্নবদি মী খুদিংনা মাগী থবক তৌনিংবদা মপুক লাংতক্লে হাইবা—(তুষ্টিদানমেব চারাণাং হি বেতনং। তেঽপি তল্লোভাৎ স্বামি কার্য্যেষু অতীব ত্বরন্তু) নীতি অসিনা মথৌ তৌবা মীদা মপুবু নিংঙাইদনা লৈথোকহন্দে।

লৈপাক রায়েল মপু ওইবনা করম করম্বা মহৈ (বিদ্যা) হৈগদগে হাইবগী মরমদা তাকপা — তর্ক (লাজিক) বেদপুরাণ (ইতিহাস) বার্ত্তা (ই-পাও লৌবগী মহৈ) দণ্ডনীতি (চৈরাক রায়েল-পংথাপ) বিদ্যা মখল মরি অসি লৈপাক পুবদা মরুওইবা মরমনি হাইবা—(আন্বীক্ষিকী

ত্রয়ী বার্ত্তা দণ্ডনীতিশ্চ শাশ্বতী। বিদ্যা হ্যেতা শ্চতস্রশ্চ লোকসংস্থিতিহেতবঃ) নীতি অসিনা লৈপাক পুবদা মপুম্বু মমিৎ লাওখোকহল্লি।

য়েক্নবা ওয়বগী থৌরাংদা য়ারিবা মথৈ খংন-চৈনদনা [লালতৌদনা] থেমজনবা, পিজ পিথকপা পৈশা পিবনচিংবা, অমগা-অমগা খাইবুংন-হনবা,—মখল অহুমসিগী মথুংদা অমনা, নত্রগা অহুম্মক্বা য়েক্নবতু ওয়বা হোৎনগদবনি হাইবা— (সাম্না দানেন ভেদেন সমস্তৈরথবা পৃথক্। বিজেতুং প্রয়তেতারীন ন যুদ্ধেন কদাচন) নীতি অসিনা মী খুদিংবু খংন চৈনবগী থৌরাংদা পুক্নিং ঈহৌহন্দে।

অহংবা নীদা হাইগদবনি, তানিংবা মাদা তাক্কদবনি, থক-খা.খংনা পাও লৌগদবনি, থক-খা খংলগা পাওদমগদবনি।

খরদং হাইরিবা অসিনা চিংবা নীতি মখল কয়াবু মহাকবি ভারবিনা মহাকাব্য ওইনা ইথোক্ক্লুনা থোৎ-লৌরবা নহা ফাওবগী থম্মোইদা ইরাই লাইনা চুহন্দুনা থবক খুদিংগী অফ-ফত্তবদা মৈরা ওইহনবা— "কিরাতার্জ্জুনীয়" রূপান্তর তৌজহনা পাঠকশিংদা লাম্থোকচরি। মচং চেন্দবা সর্গ কয়াদি শুপ্তক্লা রূপান্তর তৌজরে।

কবিগুরু কালিদাসগী কাব্যবু চাংদম্নবদা [উপমাদা] "উপমা কালিদাসস্য" অস্নুম্না শিংথানবাগুম্না—মহাকবি-ভারবিগী কিরাতার্জ্জুনীয় মহাকাব্যবু ভাব-লুশনবদা:[ভাবগাম্ভীর্য্যদা] "ভারবেরর্থ গৌরবং" অস্নুম্না শিংথানরিবনি, অদুবু লেখকনা রূ' 'ন্তরনা শিংথানরিবা বিষয়দা হম্বহনবা পাঠকশিংনা ওাকপিগনি।

কৃতজ্ঞতা— লাইরিক অসি কোংবগীদমক মনিপুর শিক্ষা বিভাগনা লুপা ২৫০·০০ ইতেংপাংবি, মসিগী লমন পুজিগী তৌপ্লরি।

বিণীতঃ—রূপান্তরকার

কিরাতার্জ্জুনীয়

অহানবা পন্দুপ।

কুরুনি‘থৌ দুর্য্যোধনগী
লৈপাক্কা চৎপা লিচৎপু
বনদা চৎপা চিংমী মানা
থংলুহুনা দ্বৈত বনদা

রাজলক্ষ্মী লৈতাহনবা
"থংউ য়েংউও" শিখিবা
ব্রহ্মচারীগী শকওংনা
লাকখ্রে যুধিষ্ঠির নাক্তা ॥

থুরুমহুনা থুকউ লৈতা
কুরু লৈপাক্কী মওংহু
চিংমী মহাক্কী মপুক্লিং
মপুবু নিংবা মনাইনা

লৈখরবা য়েক্ক’ থুংতা
হঙ্লমদাইদা নিংথৌদা
থোইদোক্লা রাবা পোকখিদে
সুংশিহন্নিংদে মীনম্’না ॥

সুংশিবগী মকাদা
রাখল অসি থন্দুনা
মপু য়াথং কংবদা
অর্থ লৈবা রাঙাংনা

সুংঙাইতবা হাইফদে
রামাং হান্না য়ান্দুনা
য়েক্ক’ হাৎনিং’ নিংথৌদা
হঙ্খ্রে প্রমাণ চানা ॥

মহারাজ! মপুমাগী
মনাইনা মীং-না ওইরিবা
লানবা রাহৈ কনবিগনি
কন্নুক’ তাস্থ সুংঙাইবা

শিক্ষা কংলিবা মনাইনা
মপুহুবু নমহৎফদে
অশোইপুম্বা ঙাকপিগনি
রাহৈ রাজা অতাংবনি ॥

মপুদা 'ফবা হাইদবা মনাই কৎতবা মনাইনি
মনাইগী 'ফবা তাদবা মপু কৎতবা মপুনি
মপু-মনাই অনিমক্না চেৎনা চান্নরবতদা
পুক্নিং খোইদাবা থাদোক্কে সম্পত্তি কৌবী লাইরেম্বি ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

মহৌশানা খংবা ভমদবা নিংথৌগী লিচৎনা কদাইদা ?
উহৈচাবা ককই থক্লিবা ঐশুমগী 'পংবনা কদাইদা ?
অথুম্নমক্তি ওইহিল্লগা থুপ্পা লৈবা য়েক্ল'গী লিচৎ
ঐনা খরদং খঞ্জরক্তি মহারাজগী নগুণননি ॥

দুর্য্যোধন কৌবা নিংথৌদো নিংথৌ তা'বন কম্নগসু
বনদা লৈবা 'বুঙেঙাদগী মাইথিরকপা চিংন'দগী
চৌবড় লোনন্না লোবা লৈপাকপু খুত্তম চন্নবা
চেৎনবা 'চুম্বা লিচৎনা হোৎনরি লৈ তা'লৈতনা ॥
(কাব্যলিঙ্গ অলঙ্কার)

লোনম্বা মা নগুণদগী মগুণনা হেল্লি হাইন'গী
পিজ পিথক কয়ামুক্না মাইকৈ শিলহল্লি মীংচৎনা
মশা চাওখৎহন্নবদি কৎত'গা থিন্ন দগীদি
গুণ চেন'গা য়েংথিনবনা অকৎনি খোইনা হেন্না ॥

ইন্দ্রিগী য়েক্ল' তরুকপু * মপুং কানা জয় ভৌন্থনা
দুর্য্যোধন কৌবা মহাক্না মনু§ পথাপ লৈপাক রায়েল
তানবা তনবা লৈতনা অমম অঙাল খাইদোক্তুনা
হোবা লৈত্রবা লিচৎনা মাইকৈ শিলহল্লি মথৌনা ॥

---

*য়েক্লা তরুক হাইবদি পাথশনবা. অশাওবা, লোনিংবা, অঙ ফপা, মরাইকাবা, চাওথোকপা, ৬ অসিমু থংনৈ।

§ মনু হাইবদি মনুসংহিতা হাইবনি।

নাপনবু পকপা লৈতনা দুর্য্যোধন কৌবা মহাক্না
মনাইশিংবু মরুপকুম্না মরুপ্ পোকমিন্নওন্না
মচিন মনাওবু মাওন্না নু'থিল-নুমিদাং খাইদনা
নোংমা নিনিত নৎতনা উহল্লি লৈপাকপু মুন্না ॥

ধর্ম্মলন্থীদা লল তান'দা অপান্বা পুক্লিং থুংন'দা
অন্নাৎ অহেনবা নাইদনা মপুক্লিং চংবা মান্নবা
মফম মতম খাইদোক্তুনা মানা চৎলকপা লিচৎনা
ধর্ম্ম লল-'পান্ব অহন্না চান্নবা মরুপ কুম্নখ্রে ॥

লৈপাক পুনবগী উপায় থেন্বা—পিবা অনিমক্তা
লৌনম লিচৎ চৎখিদরে থেমজন'দা মখুৎ লোৎখিন্ত্রে
পিজ পিথক খুদিংমক্তা তন্নামদবা তৌখিদরে
তন্নাম তন্নান্না তৌবদা মীয়োই য়েংদবা লৈখিন্ত্রে ॥*

সনা-লুপা পামদনা পুক্লিং অশাও পোক্তনা
ইচা-মীচা খাইদনা মীচান মীয়াই নাইদনা
মপু মথৌ শকথংনা য়ায়েল পথাপ কাইদনা
মরাল লৈবা মীতদা চৈয়াক য়ায়েল পিন্নিদা ॥ *

লৈপাক পুবদা মীবু য়ানবগী উপায়— থেন্বা (সাম) পিবা (দান) অনি অসিদা থেন্বদা পিবা য়াওত্রবদি য়াদবা মীশক লৈ। অতুগা থেন্বদা পিবা য়াওয়রগসু তন্নাম তন্নাম [সম্মান] য়াওত্রগদি য়াদবা মীশক মীয়োই কয়া লৈ। অতুগা থেন্বদা তন্নাম তন্নাম তৌতুনা পিরগসু মীয়োই মীশক য়েংদনা হাইবদি মী মীতুগী মওংগ থেন্নবা য়েংদনা [অনন্ত ওইনা] তন্নাম তন্নাম তৌবদা য়াদবা মী কয়া লৈ, মসি পুবসি কাইদনা দুর্য্যোধনলা চৎলি হাইবসি পক্তসিনা তাকই।

* লৈপাক পুবগী উপায় মথল ৪ গী মতুংদা অহমগুবা চৈয়াক (দণ্ড) কৌবা উপায় অহু লৌনিং চানিংবনা ময়ম ওইতুনা লান্না নিজিন্নবদি লৈপাক মপু অহু মীংচৎথি মকম তাবনচিংবা থোকই, অতুনা

চিংনবা রাখল পোকপদা, দুর্য্যোধন কৌবা নিংথৌদো
মনুংচনবা মনাইশিংবু চেৎনা-চান্ন' খিক্সাইহল্লি
মশাবু থাজ' উহল্লি শিন্থা পাংথোকপা মনাইদা
থাক্তনা পিবা মনানা ভৌবিমন খংবা ফোংদোক্লি ॥

মানা মীশক মীয়োই য়েংনা, খুবম মণ্ডং মতুং ইন্না
খৌজাল-সম্মান উৎপক্তনা, সাম দান দণ্ড ভেদ মরিনা
হেন্নখিনি মতাগুন্না পোলোই মহৈ লৈভাহন্না
লল থুন্না চিংবা সম্পত্তি চাগুখৎহল্লিদো লেপ্তুনা ॥

ক্ষেত্রিমচা কয়াগী দোলাই সগোন্না থল্লবা
দুর্য্যোধন মাগী কোন্নুং নিংথৌ কয়ানা পিরকপা
খুদোল শামু কয়াগী ময়াই কাবগী মচুন্না
অতৎ অথম লৈতনা লৈপ্রে ইচোত্ত চোত্তনা ॥
[উদাত্ত অলঙ্কার]

মহাক্কী লৈপাক রায়েন্না লিচৎচুন্না চৎখিবনা
মমা ওইরব্বী লৌথোংনা "কুরু" কৌরবী লৈপাক্লা
মহৈ-মরোং চুমখিবনা হৌগৎলকন্না খোইদনা
লৌউবশিং রাহন্দনা ভানপ্রে মহৈ লোকহন্দুনা ॥

মীগী রাবা কোক্লন'দা মাগী মপূক লুপখিবনা
মীংচৎনা মাইকৈ শিনখি'না, মফম খুদিং ভাকখিবনা

দুর্য্যোধননা লৌনিং চানিংবনা চিংবা লৈভনা চৈরাক কৌবা লৈপাক পুবগী উপায় অতু চুন্না শিজিন্নখরে হাইবতু পদ্যসিনা তাকই।

* লৈপাক পুবগী মরিগুবা উপায়—অমগা অমগা চেৎনা চান্নহন্দবা (ভেদ) নীতিনা মরৈবাক পুবদা রাহন্দে, মরৈবাকপু মীনা মুনবা ভমদে, অদুনা ভেদনীতি দুর্য্যোধননা শিজিন্নৈ হাইবসি পদ্যসিনা তাকই।

অহানবা শরুপ

চাওখৎলিরা কুবেরগুমনা   দুর্য্যোধন মাগী মগুণনা
মথন্ত খোমনৌবী ওইদনা   লল গুমথগ্রে পৃথিবীনা ॥
(সমাসোক্তি অলঙ্কার)

মশাগৈনা লল ওইরবা   লালকমদা মমিং চংলবা
পেল্লবা মহাক্কী লম্না   অকন অথৌ কাংবুশিংনা
পুকচেল খোইজেল তিন্নহুনা   মশাগী ওইজ' য়েংদনা
দুর্য্যোধন লমন শিংনবা   পাম্নখরে মথ্বাই থাবা ॥
(কাব্যলিঙ্গ-পরিকর ২ গী সংসৃষ্টি অলঙ্কার)

থবক্তা মহৈ য়ান্দনা   তোকপা লৈত্রবা দুর্য্যোধন
লিচৎ চুম্বা চর থাহনা   মীতোপকী থৌরাং খংজল্লি
নোংদম্বগী থৌরাংগুম্না   মহাক্কী মথৌরাংহুদি
থবক মহৈ উর'ভদা   খংবা ওন্মি মীতোপশিংনা ॥

দুর্য্যোধন নিংথৌ মহাক্কো   লিরুংদা লিরি হাপথিল্লে
'শাওবগী মমি মরিক 'মা   মমাইখোংদা ভাথিদরে।
মথা থাবা নিংথৌশিংনা   মাবু নিংবদা লুপ্তুনা
ময়াথং লৌগ্রে কাইদনা   লৈ পরেংগুম মরুলুক্লা ॥

ময়াথং হিক্তোক্লত্রবা মানা   ময়াই কারবা মথোৎ কাবনা
মনাওদা দুঃশাসন কৌবা মীংনা,   যুবরাজ খুবম পিশন্দুনা
পুরোহিত য়াথং থাদোক্তনা   অতনবা পুক্কিং পকপা লৈতনা
যজ্ঞদা মৈবু পেনহল্লি য়ৌনা   লোথোংগুত্রবা ঘীগী ঈচেল্লা ॥

য়েক্লবা তিংখং লৈতনা   লৈপাক রায়েনবা লৈতানা
সমুদ্র কাও য়ৌরগনু   মা-মহারাজ কিবা থাদে
লৈপাক গুপ্পা রায়েনমপু   ওইর কাওদনু মী মহাক
'কনবগা য়েংথিন'রদি   লোইবা লৈতে মাগী 'রাব! ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

রারি রাতাইগী মতাংদা   মহারাজগী থীং পনিদা
দুর্য্যোধন কৌবা নিংথৌদো অর্জুন থৌনা নিংশংবদা
লিলঙুমা গরুড় নিংশংদা   তাংজমরাই লুকখিবদা
'কিবা মমি তাবা মাইদা   মা লোং'ওমদে মতম্‌জদা ॥

মরম পুম্বসি খন্দুনা   মহারাজবু লৌনরা
চাংকে নিংজিবা মঙোন্দা   থুমুক থৌরাং খিনদিগনু
করি তৌগনি হাইবদি   হঙ্গৎপা ওমদে ননাইনা
পাখোল্লোই ওইবশিংগীদি   পাণ্ডবম্বদনা মথৌনি ॥

(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

পাখোল্লোই চিংমী মহাক্না,   পাখোলগী পাণ্ডুম পীজনা
মনা মথুম কংলজনা   ময়ুম মাইকৈ পাংথ্রে ভন্না
যুধিষ্ঠির নিংথৌরেন মানা,   দ্রৌপদী কাদা লাক্‌না
মনাওশিংজুগী মমাংদা   চিংমীজুগী রা ওমথ্রেদা ॥

যুধিষ্ঠির পাণ্ডম তাবদা   দ্রুপদ মমোম দ্রৌপদী
য়েক্ক' চাওখৎলে থংবদা   লুংতাইতবা হকখিবনা
পুক্লিং লাকশনবা ওমখিত্রে, নিংথৌরেল যুধিষ্ঠির মাগী
মথৌশংবা রা-থৌনাদা   হঙ্গৎখরে মতমজুদা ॥

মহারাজগুবা অখংবদা   দুপী ওইবীনা শিহা হজৎপা
ভুকজনিংতাই মশক্তি থংতি, 'ঙ্কু কররবা পুক্লিং লাইনানা
সুপীগী লিচৎ চৎহন্দজনা   হৌনৈ হৌনদে নাইহন্দজনা
রা, হজৎলু হঙ্গৎলু হাইজনা,   তিক্রি হৎচক্কে খুলাম তোইনা ॥

শক্তিদা থরারেনগুবা   থকী লিংথৌরেনশিজনা
মৈচেল তংলকপা লৈতনা   ভারমবী কুরু লৈপাক
মহুম তারবা শামুনা   ওকী লৈ পরেং লংথোকনুর
মহারাজ পনা খুৎনা   লংথোক্রবা নথরা ? ওজনা ॥

লৌনম চাওরবা মীহুদা   লৌনমগী লিচৎ চল্লবা
মী মহাক্তো অপংবনি   মাইথ্রিকংবা শোইদবনি
লৌনম্বগী লৌনমহুনা   লৌনমদবা মী অহুদা
ফুরিৎ লিংত'দা তেন চংশুম, চংবা ওন্মি মাংহন্নবা ॥

মতিক চানা চনিং লৈবা,   সাগৈ অাংম্ব মাংতন্নবা
'বুক্তো নংতবা কনানা,   মাদো খোইদাকী মশুগনা
মশামক্তম্ব স্নুংশিবী   সাগৈ ঈচেল তংলক্ত্রবী
ভালোইংগবী রাজলক্ষী.   পিংথোকদগে ? য়েক্ক'দা ॥

অখোবনা হক্লোইনবা   লখী'সিদা 'স্তুকরায়বা
নিংথাইদনা চৎলকপদা   মহারাজ স্না পুক্লিংদা
মকংফাবা ক্যামলৈশিংদা   থাখী মৈনা রাইবগুম্না
হৌজিক ফাও মতৌ করম্না, রাইত্রিবনো ? অশাওবনা ॥

মতৈ য়াম্না শাওদোক্লিবা   মীহুতদা অহুগুম্বা
মীপুম খুদিং মখোং খোংনা, চংলকপনি মথুহুমদা
অশাও-মৈরী পক্ত্র'   মীদি, মতম খুদিংদা মহাকপু
য়েক্কবনম্ব কিনদে   মরুপম্ব ওরাম্নদে ॥

মমাংথৈদা চন্জনতনা   মশা পুম্বা লৈতেংলম্বা
চৎথোক্লকপগী মতমনা   সগোল শাম্না চৎলম্বা
হৌজিকা উকুল তৈরিবা,   লোক তাইদা খোংনা চৎলিবা
ননাও ভীমনা ইবুঙ্গোগী   'চুম্বা পুক্লিং কাইহল্লিব্রা ? ॥

সনজীংগী অরাংথংবা   কুক্লৈপাক্ অরকুনা
মশিং লাকওম্দবা সনা   মহারাজদা কৎলম্বা
অরায়েংওবা অর্জুননা   উকু কাঁথোল পুরকপদা
মহারাজ রা-পুক্লিংদা   মাবা পোকল্লিনো কম্না ? ॥

উন্নুং রান্নুংদা লেক্লবা
মশম্ মনা 'কাকারবা
নকুল সহদেব য়েং'দা
রাশক্ ঙাকখিনি খনবিরি ?
মশা মউ ভংশন্নবা
লোইবীগী শান্নুঙনবা
হৌজিক ফাওবা অসিমক্তা
ভপ্ খিখিনি লৈখোক্পিরি ? ॥

মুপী ওইবনা ঐহাক্না
ঐনা রারগা মীগীশু
মীওইবগী পুক্লিং লিচৎ
'বুঙঙাগী রাবা রাখন্না
নিংখৌগী পুক্লিং খংঙম্লে
রাগনি রাখল্ য়ারমখল্লে
অভপ্ ভপ্ত খাইদোক্লমে
ঐগীদি খমোই কাইহল্লে !

মণিহৎপা শয্যাথক্তা
য়াকাইরোল শক্পা কাংবুনা
য়াকাইহল্লম্বা 'বুঙঙানা
য়াহিপ্ য়াতারি হুংলক্তা
চেপলিঙৈদা মমাংঙৈদা
খাগৎ-পুনখৎপা ঈশৈনা
ভুখৌ মখক্তা হৌজিক্তা
য়াকাইরি লমহুইমখোলদা ॥

মমাংঙৈগী মতম্তুদা
ব্রাহ্মণ হাগ্রবা মতুংদা
হৌজিক্তা উহৈ হাবনা
মীংচৎ মাপা লোইনহুনা
মহারাজ সনা হক্চাং,
লুক্-হাবনা কজরম্বা
মকম্ ইখং খংহৌদনা
মাংখয়েদো মমা'খিনা ॥
(সহোক্তি অলঙ্কার)

খোল্লিবা খুদোংথিবসি
দ্রোপদী ঐগী পুক্লিংসি
য়েক্লবনা মুন্ ঙম্দ্রবা
পুকচেল চাওবগী রাবদি
য়েক্ল'দগীনি খল্লু'দা
মরুকংনা ফুক্ ম্নিদা !
পাজল-সম্পত্তি রাক্রিবা
কুম্মৈনি খল্লনি ঐদি ॥

ইবুঙঙো ! শান্তি থাহুনা
অখোবগী খোনা মঙাল্
য়েক্লবা য়াইবী লোহুনা
চিংশিনবিরো খমোইনুংদা

'পাম্ব থাবা মুনিত্তনা অপাম্বি কম্ব ভৌহনা
মুক্তি তানবনি শাত্তিনা নিংথৌগীদি চু নত্তেনা ॥

শ্নেরু'না পিবা মাইথিবা খা'ওমদ'গী লুচিংবা
মীংচৎ-জল লেংদ'নি থনবা মীনা মহারাজগুম্বা
খাংহমদবা মাইথিবদা মাইয়োক রাঁনা পেন্নবদা
মীংচৎ নাপন্দি 'রাথনি !! চংকম লৈত্তনা কেম্ব তাই ॥

থুপচন্দুনা থৌনাবু হাকপিহৈবা গুণ ত্তনা
পুন্সি মুংশাং মুংহাইবা পোকহন্নি থন্নগদি
নিংথৌ মচাগী খুদম লিরুং তেন্দোং থাহনা
কোক্তা অটা পুহনা কগনি হোম ভৌবনা ॥

শ্নেরুবদা কৎতনবা লৌনম লিচৎ চৎলক্লবা
অথৌবনা খুমুক হম্বা অরানবনি রাশক তাকপা
লানগুম ফীরানবু থেৎনিংবা নিংথৌ মচানা অকনবা
অমা অমা হাইজন্দুনঃ হাইনবা রাকম থুগাইনৈ ॥

নোংদম্বগী নোংদম লেংকদবনা, মতম মাগী খো'চৎ কাইফদবনা
খুদোংথিবা-অহিং ওইরক্লবদা ওমথৈ লৈত্তবা 'রাবা-সমুদ্রদা
মহাল মশেক মশা মৈচাক রাওদনা, তাক্লবা থুমিৎ অমুক খোরক্তা
হায়গী মশেক মহাল হন্না চংগুম 'বৃত্তোদা রাজলক্ষ্মী ত্তন্না চংম্ন ॥

অহানবা পন্দুপ লোইরে।

অনিঙবা পন্থুপ

চ'ম্নবী দ্রৌপদীনা হাইদোক্লকপা য়ায়মঙ্ক
মপুক্সিং নিংলম্বনা মচং চেল্লি খম্নুনা
ভীম কৌবা মনাওহুনা ময়াম্বগী মকমদা
খম্নিঙগাই য়াহৈনা হাইখরে অর্থ লৈনা ॥

ক্ষেত্রিগী নাপল-পকপী দ্রৌপদী মুপী 'সিনা
মীৎলু ঈড়া ঈহৌনা মুংশিন্নবা মৈথম্নেংনা
মাইকৈ শিন্না ম্নেংহুনা হাইয়ক্লিবা য়াকমসি
"সগোলশে"ম্না হাইগম্নোই ওক্ত লৈম্নোই 'ভাবনা ॥

কুমঙমদবা কুহাদা লাইনা কুম্‌ওম্‌ থাকথা'দা
নীতি পথাপ হাটর'দা লাইবা থোক্নে মীপুম্‌দা
থাক্‌ থাগদবা মীশক ভাংনা থোকপা মওংওম
নীতি পথাপ হাইবা মী অভাংবনি খনবিনি ॥

চাবদদি য়ানা থোকপা মহৈহৃন্নি 'কবা .ওইবা
মপাঙ্গল লৈবা হিদাক্‌ ম দ্রৌপদী মাপী য়াকমসি
মপাঙ্গল শোনবশিংগীদি ম্নাম্না কিনিঙাই মশক্তি
মমৈদা মহৈ চুমগনি অচংবনি খনবিগনি ॥

দ্রৌপদীগী য়ায়মসি খাম্ননিঙঙাই -ওপ চেল্লি
ওপত লৌবা নিংথৌনি লৌবিগনি মরাসি
অচুম-অম্নান শকথংবা অহৈ অশিং কাংবুনা
অচুবা য়া লৌবদা 'হাইবা মীশক ম্নেংলদে ॥

বিভা মখল মম্রি চেনবী অক-ফংত লেম্নাংবী
মহারাজগী বুদ্ধিনা কয়বা মতৌ মওংনা
ওয়বত থনখিচুনা কফুংতাবা শামুওম্না
অম্নাবা খুদোং কংজি'নো ? তমখিবা মওং ওইম্রি'নো ? ॥

খুদোংথিবসি 'সিম্নৌনা ফংহল্লবদা য়েক্ল'না
থাগৎলিবা লাইশিংমক্কা মহারাজগী থৌনানা
লৈতনা নিপা থোক্তোকপা য়ৈশন্নুনত লৈম্রিবা
'সিদগী অতোম্না য়াবা করি লৈখিনি ? অহেনবা ॥

মশা চাওখৎনিংলিবা মবুদ্ধি লৈবা মীনা
পোলোইদা কথলোইদবা য়েক্ল' চাওখৎ' থাংগন্মি
মমৈদা মহৈপুংবা য়েক্ল'গী মাংখবদি
নিঙ্গাইদনা লৈথোকপা তৌনদে থনবিগনি ॥

তহৈ-অশিং কাংবুনা মাংখবগী ময়মদা
য়েক্লবগী খিল্লনা হেন্না থোইনা মাংখবা
মশাগীনা ওয়বা উম'দি নিঙ্গাইনদে
নক্ল'দি নংহৌরোইওম্ হোৎনবৈ হেক্কৎলবা ॥

য়েক্লবনা লনদা থুমদা মীকা মীপুন কয়ামুক্তা
কা চেন্না হেক্কৎলক্ল'দা মী-মানা মতমপুম্বদা
লৈথোক্ল'দি নিঙ্গাইদনা মহাকপু মাগী লম্নীনা
মীগী মীনোক কিবাওম্না থাদোক্লমনি থিল্লবা ॥

মশা ময়েং তারপন্থু কেত্রি মচাগী মমিরোল
মপুংফানা কুদোক্ক্না অতৎ অথবা লৈতনা
হোৎনরিবা নিংথৌরম্বু নিরাংবী নিনি থাওনা
হেক্কৎতৌরি উমথদা থাথামবনি প্রজানা ॥

শৰুক মথল্ল মঙাঙনা শিজিন্নৰিবা নীতিনা *
মীচুবু পুকৈ লৈগী মপু ওইহল্লি শোইদনা
নীতিচুম্নু লৌউবনা লাইবক খেলগী তুংইনগুমা
তৌগদৌৰিবা মথৌদা থৌনা থোকপগী তুংইল্লি ॥

ইকাই খুম্নবচুঙনা ইশাগী লল্লি খল্লিবা
অৱাংবা খুবম কানিংব্ৰা, মীশিংগীদি থমোইৱাংবা
উৎথোক্লকপা মতিং খেক্লা, মশাগী মথৌনাঙনা
তাৱকপদা ঙাক্লফল্লি তুৱকপদা শৌনফল্লি ॥

মথৌনা থোক্ত্ৰবা মীদি খুদোং থিবা মান্নোক্লেদে৷
খুদোংথিৰবা মীচুদি তুংগী পোলোই ফগন্দেদো
পোলোই ফত্ৰবা মীচুদি লেম্বা লৈতবা শোইদ্ৰ'নি
লেম্বা লৈত্ৰবা মীচুদি লক্ষ্মী তুংফম ওইদ্ৰ'নি ॥

(কাৰণমালা অলঙ্কাৰ)

মৱম পুম্বসি লৈবনা চাওখৎপগী ৱেক্লৰবা
থৌনা থৌৱাং থাদোকপসি, অৱানবনি থনবিগনি
থৌনাদা কাইদোংজৰবী সম্পত্তি কৌবী লাইৱেম্বী
পুক্লিং শোম্ব'গা লোইননা লৈমিন্নবা য়াদবনি ॥

(অৰ্থান্তৰন্যাস অলঙ্কাৰ)

হাইনথিবা মতমচুবু ঙবা ঙাইনা লৈৱদবু
লৌনম লিচত্ত চংলিবা দুৰ্য্যোধন মানা ফংতবা
মতম কুইনা কাইদোংঙ্ৰবা, লিংথৌ খুমম লিংখিজমা
তুংঙাইবা ঙিংশোকখিচনা, থাদোক্লি নিংদে তৱাইনা ॥

* ১। মচেং লৈমা, ২। মৱন কবা, ৩। অকম চাবা, ৪। মতম চাবা, ৫। চোইথ ঙামখৱক্লবদা শৌগৎপা—মথল মঙা অসিনি।

অনীওবা পন্দুপ

চরা হেন্নবা নোংশানা
শামুতনা মচুম তাবা
মথৌনা লৈবা মীগীদি
তাইবংপান্দ নাপীগুম থন্দনা
হাৎচরবা মশাতনা
খল্লিদো মচিঙ্গাক ওইবা
মশাগী মথৌনাতনা
মীতোপকী মজেং লৌনিংদে ॥

য়েক্লবনা পিথোক্লকপা
মহারাজনা 'মুক হন্না!
চিংগুরবা ননাও মরি
পাম্বোম পাঙ্গন্দ পুথোক্কবা
নিংথৌগী খুবম হল্লকপা
কংলক্লগন্থু কাইদনা
ঐথোইপুম্বগী ইথৌদাং
ওইবা তারেদো অরেম্বা ॥

ক্ষেত্রি নাপন্না লন্নি
নোংমা নত্রে নোংমদা
সুমিৎ-থাগুম লেংত্রবা
নোংথাংগুম্বী লম্না দি
খ'ল্লবা মীশিংগীদি
মাংদৌরিবা থরাইনা
মীংগী মীংচৎ তাল্লক্তা
মতাংনা কং'নি নিংনৈ ॥

(পরিবৃত্তি অলঙ্কার)

মীওইবনা উৎতবু
চাখৎলিবা মৈবুদি
ক্ষেত্রি নাপন চেনবদি
থরাই লাইনা থাওম্মি
ওইনবনি মথোঙ্গাও
খোঙ্গাওনদে কনা'সু
নাপন মাংনি কি'দগী
মথৌনাদি থাওমদে ॥

শাগী নিংথৌ নোংশানা
করি মহৈ য়েংহনা
মতিক মগুণ চেনবগী
অতোম্বগী চাওখৎ'তা
নোংখোল মখোল তাবদা
খোংলি'নো খুমাং হোৎনা
হৌনশানি মশাগী
থাংওমদবা মপুক্তা ॥

(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

মহারাজ! মরম পুম'নি
ওকচানবা থাদোক্কুনা
য়েন্নবশিংগী অহানবা
মহারাজগী থৌরাঙ্গু
সনা রাখল থনবিহুনা
থৌনা থোকপিরো থিন্দুনা
থোকদবা খুদোংথিবা
থোকথিদবনা থিংথি'নি ॥

মাংকৈ মরি ঙাক্লিবা
মাইকৈ মরিদা চেনবা
ইপাঙল য়েংলুবদা
'খোইবু লান্দা কনানা

শামু মরি ঙম্লিবা
সমুদ্র মক্ষিঙবা
স্বরারেন মাঙক্লিবা
খাংবা ঙম্মি করম্বা ॥

মহারাজগী থমোইদা
য়েক্লবনা থাগৎলিবা
তালোইশিংহুগী মখোইগী
মুৎথৎনবগী থৌরাংবা

অতৎ-অথম্বা লৈতনা
অশাওবা-থাম্বী অকনবা
লাইজ ঈচেম্বা মীৎলুগী
খিনবিরগনু হৌজিক্তা ॥

মথৌনা থোকপা উৎলিবা
ভীম কৌবা মনাওহুবু
কাপ্তি থাহুনা লাক্লুম্মা
লাকশম্নবা থেমজন্দুনা

অশাওবা মৈশা কল্লিবা
অকনবা লাঙ্গোই শাম্নবু
যুধিষ্ঠির ময়াম্বনা
থৌরাংয়াক্লে নিংথিজনা ॥

পাম্লিংঙাই ওইবা পুক্লিংনা
রাঙাংহুদা ঙাংলক্লিবা
তক্ক তক্কবা মিংশেলদা
তশেংনা ঐনা উরিদো

নাতৈ চারবা প্রমাণনা
নংগী নবুদ্ধি মক্ত বা
শকফম চুম্মা উবঙম্মা
নপুক্লিং থংবা ঙম্মিদো ॥

নংগী রাঙাংগী রাহৈসি
অর্থসু মশুপ চেল্লিদো
যুক্তি চংখোম্না উৎলিদো
অসিগুম্বা রাঙাং অসি

অর্থ কোংদোক্তবা লৈতে
রাহৈ হল্লল'সু য়াওদেদো
যুক্তিদা পথাপ কাইদেদো
কনানা তাপ হাইঙমদগে ?

অহুম্নদি ওইহিক্লগা
ইপেন পেনবা পোক্তহুনা
হাইনবা রাংকম ঙাক্তনা
মুংঙাই য়াইকবা ফংহনবা

নয়াম্বা ঐগী থমোই'সে
চিংনদা চেনশল্লি করা
লানদা ফংবা সম্পাক্লিনা
ঙমগনি নিংদে নয়াম্বা

(কন্যালিক্ষ অমজ্যায়)

য়াখল তৌদনা খুদক্তা
য়াখল য়াওদবা থবক্লা
শুপত্না কাইদোংক্ষম ওইবী
খন্থবা মীদা মশানা
থবক তৌরোইদ'নি পুক্তা
য়াননিঙচাইনি থোক্তদোক্লা
সম্পত্তি কৌবী লাইরেম্বী
লাকপনিকো মথোংথোংনা ॥

তৌনিংবা থবকী' মরূ
য়াখলগী লাইজ চাইহুনা
ইঙা পাম্ফেল লৌ-উবনা
চংখোনবা মহৈমরোংদো
পুক্লিং-কাংখুন্দা থাহুনা
হৌহনবা মীহুদি চেৎনা
পোইন্নুদা লৌ-লোকপগুম্মা
লোকপনিকো ভীমসেন গুঃ ! ॥

নাকোংগী লৈতেংদি
তাবগী লৈতেংদি
শান্তিগী লৈতেংদি
থোনাগী লৈতেংদি
লাইরিক লাইশু তাবনি
পুক্লিং শান্তি ফংবনি
খুদোংচেংবা থোনানি
থবক মহৈ য়ানবনি ॥

সুংশিৎ মৈদবা মৈরানা
নিংথিনা খংবা লাইরিক্লা
'শাওবা-'মম্বনা থুমগ্রবা
থবকী থৌওং উহল্লি
'মম্বদা পোৎ উহনগুম্মা
য়াখল খনবা মীদা চেৎনা
খংবা গুমজ্রবা মথৌদা
'ফ-ফত্ত মশক খংহল্লি ॥

মীনা য়াব গুণ চেল্লবা
পুক্লিং চংনা চৎলি'শিংগী
নোংদম্মা মহৈ য়াম্দবা
নোংদম্মা মহৈ য়াম্দ'দি
লম্বীদা মীনা চৎনবা
পন্থুংকম তানবা থবক্তা
মরানশিংদা শিংথানদে
মহৈ ফংবগা পাংথক্লি ॥

গুমগে তানবা কাংবুনা
পোলোইদা মাংলোইদবা
মহৈ য়ানবা য়েংহুনা
তৌগে নিংবা মথৌদা
অশাও'পুক্লিং পোক্তনা
মপুংফানা ক'দবা
নিপা মচা থৌদাংবু
মতেং ওইনা শিজরে ॥

মঙ্গল পাম্বা মীশিংনা
পুক্লিং মমশনবা 'শাওনা
মুমিৎ কৌবা লাইদমু
হাইদোক্তনা হান্নবা

মুন্না খনবা রাখন্না
হাইদোক্লে মপুংফানা
অঙিংনা পিবা 'মম্বা
খোকক্তি নি মঙান্না ॥

পাঙ্গল কনা কদনমু
অশাওবা-খাম্বী মৈরিবু
থাজ মঙালবু নিন্দুংনা
মপাঙ্গল-সম্পাত্তি 'পুম্বা

খৌনা খৌনা লৈদনমু
গুমত্রবদি মুথৎপবু
নোংমা নোংমা মাংহনগুন্না
মাংহনবনিকো অখৌবা ! ॥

মতম য়েংহুনা খোৎখবা
অকন-অথোং চাংদম্লিবা
অচুগুম্বা মী মহাক্তি
খবিশেঙ্গোইরেন 'পাম্বগুম

মতম য়েংহুনা কনখৎপা
মকন মতম খাইদোক্লিবা
তৌরিবা খুদিংমক্তদি
মীপুম খুদিং লাকশনবনি ॥

সম্পাত্তিনা মতম কুইনা
ইন্দ্রি-সগোলগী চুপ্পীনা
শরৎ ঋতুগী নোংগুম্বী
ইন্দ্রি-খুতুম চন্দ্রবনা

কদাইদনো ? লৈবহুনা
কদাইদা ? ফাংমদবনা
লৈক্রক য়াম্নবী সম্পত্তি
লেংহন্দবা গুমদবনি ॥

নপুক্লিংহু তহাহুনা
ভীমসেন কৌবা নহাক্না
মমাংঙৈগী মতমহুদা
সমুদ্রবু হৌজিক'সিদা

নখমোইহু লাংতক্লুনা
নংগী তপথবা নগুননা
নখা থানা খমখরবা
নখক খংনা খন্নবরা ? ॥

হৈরগা লাইরিক লাইসুদি
গুমত্রবা মীদো জয় তৌবা
মঙোন্না মতমহু শাংনা
অখিবা মীংচৎ মশাগী

'মুংগী য়েক্লবা তক্লত্তি
সম্পাত্তিবু লৈজরিবা
লৈহনদবগী লেংদনা
পোকহনবনিকো লেপ্রমক ॥

লেংদবা মহৈ ফংহনবা
মশাগীদি মাংহন্দবা
অথাংকনবগা মান্নবা
অতোপ্পা মতেং অমামুক

ইকাইখুম্নরুম লুচিংবা
ইরুলুকপা থাদোকত্রিবা
মহৌশা খোইদা মুংশি'হু
দুর্য্যোধন মাগী মাইকৈদা

কৃষ্ণগী শাগৈশি'হুগী
মরুপ-মপাং মহৌশাগী
খোরু-ওইনবা নিংথৌশিং
মশা হিংনবা লৈবনি

হাইনখিবা ব্রা ভাক্তনা
লানগী থৌরাং লাঙঙ্বদা
মুমিৎকী মৈশা 'কনবনা
মপ্পি চৎতুনা অচৌবা

হৌনশা ময়াই কাবনা
থওইথোকত্রবা নিংথৌশিং
থওইদ'দা থাংভমত্রি'নি
করি অমুক হাইরুগনি

ভোগদবন্থু ভোদবা
থবকী থৌওং য়েংহুনা
হেক্সৎলকপা নমহৎলিবা
অহোইননা হেক্সৎলকপা

মতুংগী খুদোং চাহনবা
য়েরুবগীত মাংহনবা
মতেং মন্দুংদা মাগুম্বা
লৈত্রবনিকো ভীমসেন ! ॥

কৃষ্ণগী শাগৈ অপুম্বা
ইচিন-ইনাও 'খোইপুম্বদা
তরাই তরাই থাদোক্তুনা
লৈনি থম্ম্ মতম 'পুমদা ॥

মরিশিং মমা-মপাগী
মরুপ-মপীক্সা ভাইহাকী
দুর্য্যোধনগী ফৌরোই ইনগুম্
কৃষ্ণ ফৌরোই থারোইদ'নি ॥

ভীমসেন কৌবা নহাক্লা
হাইরিবা নিংথৌ পুম্বসি
থম্বাল হৌকম কংহনগুম্মা
'খোইদা ওইগনি য়েংখিবা ॥

দুর্য্যোধন কৌবা মহাক্লা
মহাকপু থাইবু'লকনি
ইচম চম্বা মী মতুম্
মীথোই-মীহেন নিংথৌদদি ॥

নাপনচাও'গী সম্পত্তিনা
মরুলুকপা শাজন্দুনা
নাপন-ময়াই অনিমকী
থোকহনবনিংকো কাওগম্বু ॥

নাপন-ময়াই অনিমক্লা
পংথবা কৌবা লাইহুনা
অপং'মীদি নীতি-পাম্বী
নীতি-পাম্বী থাজ্রবা মী

কোনশনগ্রবা মী অহুবু
থাদোকত্র'নি করিনোংদা
ফুক্তোক্তুনা ছন্দোকপনি
মীনা মুংশিবা রাংপনি ॥

মুংশিদবা-মুংশিংনা
মচা মনাই-মরানা
ফুকঙমদনা লৈরম্বা
খাং কনবা মীহুতনা

সাফু কল্লা ফুহুনা
মতং ফানা তংতুনা
য়েক্ল'-উপাল অচৌবা
ফুকঙম্বনি লাই-লাইনা ॥
(সাঙ্গরূপক অলঙ্কার)

মনুং মীনা মুংশিদবা
অচৌবা য়েক্ল' ওইহুনা
উশা-মচা তক্লরক্তা
চিংজাও অমবু খাক্তুনা

মরিক মুক্ত ওইহুনসু
মপুবু মাংহল্লি লাইনা
হৌরক্লিবা মৈরিক্তুনা
হেমক চাকপনি থিন্দনা ॥
(দৃষ্টান্ত অলঙ্কার)

মরাই হাইগংলিবা
রাখল খনবা মীনা
মরক্কী অহো'দা
মরাই কাং'গী সম্পৎ

য়েক্ল'গী চাওখংপা
য়েংনদে থওইনা
লাইনা ঙমখোকপনি
'রাবনা পোলোইনি ॥

ফংতবা মীদি মশানা
মনুং-মপানগী মীপুমগা
মনুং হোপ্লবা লৈরাইবু
নিংথৌহুব খাইবুংনবা

হৌনশা মাগী সাজংনা
হেমক খাইবুংনরকপনি
তুরেন ঈথিল্লা কাইহনঙম্
য়াবনিকো লাইনা ঙম্বা ॥

য়েক্লবা থৌদো নিংশং'দা
ভীমসেন কৌবা মনাওদা

লাংতক্লরিবা পুক্লিংদা
মতৌস্লুম মপুক কানবা

নীতিলম্বী তাক্লিকৈগদা যুধিষ্ঠিরমাগী মনাক্তা
'নিংবা মখোংথোংশা লাকুম লাকখরে শ্রীব্যাস দেব ॥

মহাক্কী ইংলবা মীংয়েংনা শা-উচেকফাও শান্তি পোকহনবা
মৈগী মঙাল-নমহৎপা মঙাল মীৎনা য়েংবা ঙম্না পুরিবা
খুদক্তা তপ তৌনিংহল্লিবা অরাবা কোঙ্গাই কোকহল্লিবা
পুন্য-মপৈগী মূর্তিগুম্বা ব্যাস-দর্শন ফংগ্রে যুধিষ্ঠির ॥

ব্যাস-দর্শন হেক ফংবদা কমকমদগী ফুক হৌগৎ'তা
ঙাংঙ্গবা উকু ফীজীন্না নাক-য়েৎ হাইরিবা যুধিষ্ঠির
চিংথক্তা থোক্ত ঙাইরিবা মঙান্না য়োং-মচুগুম্বা
মাইকৈ শিল্লিবা নুমিৎকুম কজখিদা !! পুক্কিংহুগুম্ ॥

নিংথৌরেন যুধিষ্ঠিরনা য়াম্না মপুক্কিং লৈতানা
ঋষি অথোইবা ব্যাসদা হৌনবা পূজা খুদক্তা
পথাপ কাইদনা কৎল'দা "কম্মু" য়াথং ফংলবদা
কমকম্দা শান্তি লাইগুম্না লেংশনখরে তুংহন্ননা ॥

মঙান্না মাইকৈ শিল্লিবা ব্যাস মুনিগী মায়োক্তা
মোমোন মীনোক্কী মঙান্না মচিন্দগী চৎথোক্লিবা
যুধিষ্ঠির মানা লৈবদি সগোনশেন গুরু মনাক্তা
পুর্ণিমা থানা লৈগুম্না কজৈদা হাইকম খংদনা ॥

অনিগুবা পন্দুপ লোইরে



অহুমশুবা পন্দুপ

শরৎ থাজ মঙালশুবা মঙাম্না   মথক্তা চৎথৎখি'না য়াম' ৱা'শুন্নিবা
অমুবা কুচুদা জটা পুবনা   ভস্মনা নোংথাংকুম্না নোংশুন্নিবা
হাইনিংঙাই লৈত্তবা থৌজাল-সম্পৎনা, থমোই-পুক্কৈ ইথন্দ থনশুন্নিবা
হকচাংগী অহংবা শাওং শাদানা, পুক্নিংগী অরুবা কো'দোকখুন্নিবা

মশাগী মহৌশা! থাজ' মীৎয়েংনা. ওনশন্দুনা মীশিংবু কৌশুন্নিবা
ধর্ম্ম পথাপ থাবা বেদ-পুরাণগী, পোক্কম ওইবা মুনিদা কন্নিবা
মাগী মকমদা মরম লেংকপগী য়াম্না. হেন্দোক থোইদোক্না থংনিংলিবা
ধর্ম্মগী মচা যুধিষ্ঠির নিংথৌনা, ৱা হঙৎথয়ে 'ভাবনা ওক্লিবা ॥

লৈচিন নোংফাই চেন্দ্রবা   কোয়ৌ নোংমদোল থক্তগী
নোংজু ফুউনা চুথরকখুম   ওসি ইথং থংহৌদনা
পাপীশিংনা কংওমজ্রবা   রজগুণবু মাংহল্লিবা
মুনিবু দর্শন কংজ'সি   মহৈ'কবা পোক্ফম্নি ॥

যজ্ঞযাগ 'পুম্বা ওসি   কামদোহা ওইজরেদো
ব্রাহ্মণশিংগী আশীর্ব্বাদ   মহৈ য়ানবা ওইজরেদো
মরমদি মুনি লেংলক্তা   তোঙ্গবা ননাই ঐগাকসে
ভাইবংপালবু শিনবা থুংনা   ইকাই খুম্নকম কংলেদো ॥

নোংদম্বগা পাংথক্লবা   ভাইবংপালগী গুরুওইবা
মুনিবু দর্শন কংবনা   পিনবি' লক্ষ্মী চিংথম্না
পাপকী মপৈবু মাংহনবি   অরানবা খুবম কংহনবি
মীৎচৎপু চৎহনবি শিন্না   ওমদবা কন্নি লৈ? যানা ॥

ভস্তুনা অমৃত [illegible]
ইমিৎ অসি [illegible] [illegible]
অছুগা সাগৈনাতৈ কাইন'গী
সুংশাস্বরগী [illegible] [illegible]
পূর্ণিমা [illegible] [illegible]
পেঙ্গরে [illegible] কয়ুদা
রাবনা কুংগন্তুনা লৈরম্বা
হিং[illegible] নন্নাইদি খংহৌদনা ॥

মপূ ফচেঙ্গ চাওবা যুধিষ্ঠিরনা
রা [illegible] [illegible]
মাগী জয় হিরমন্ত মপুক্লিংদা
মভোন্দা [illegible] মওং [illegible]
মতৌসুম্না [illegible] রাজাগা
মুনি [illegible] ব্যাসদেবনা
খঙ্গকরবা মতুংদা মুম্না
মক্ক [illegible] রা হাইখ্রে চেকশিন্না ॥

মীংচৎনা [illegible] [illegible]
মঙ্গল পান্নিবা হেৎকো [illegible]
মচিন-মনাও সাগৈ নাতৈশিংদা
ভপস্যা[illegible] [illegible] ওইবাশিংদি
হৌ[illegible] হয়েংসুবী [illegible]
পোকপা নাইরবা মীওইরাশিংনা
অচান অরাই নাইদনা চৎকনি
মছুবু লেংদনা চৎলিবনি ॥

অছু ওইছুনর্দু মহারাজ!
ঐগী গ্রমৌই অসি পুনশিন্নুনা
ইচা মীচা খাইদনা চৎলবা
সাধু ওইবা [illegible] মকমদা
নংগী [illegible] [illegible] মপৈনা
নখা পোনশি[illegible]মখ্রে খংহৌদনা
সংসার থানিংলবাশি'মকীম্নু
মীচং হেক্তমক মচংনিংতিদা ॥

[illegible] [illegible] [illegible] নৎক্রবরা ?
দুর্যোধন মহাকপু [illegible] ওইবরা ?
মগাক্ক নখোই থাদোক্তি মরম লৈতনা
[illegible] [illegible] [illegible] লুপথিবনা ॥

[illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]
বর্ণনা চিংবা [illegible]
[illegible] [illegible] ?

কন্থরগা ভিন্নবদি ওমগদবা মাংহনবমি
মরুফংবা অরাবগী লেংদরবা চলেকমনি ॥

য়েক্লবা সভা ময়াইদা ধর্ম্মলখী চৎলকয়রদা
ধর্ম্মগী পোৎলুম পুহুনা যুধিষ্ঠির কৌবা নহাক্লা
খুদোংখিবা কয়া মুক্লা মাংহনবা ওমখিদরবী
শান্তি কৌবী লাইয়েথীবু হেমা সুংশিবা কোংদোকখি

শান্তি দেবীনা কোল্লিবা নহাক অসিবু কাইথ্রবা
লৌনমগী লিচৎ চৎতুনা মাংনবগী থৌরাংহুনা
নংগী য়েক্লবা মখোইনা মশাগীহুম মাংহন্দুনা
নভিক নগুণ কোংদোক্তুনা মতেংহুম ওইখি নিংখিনা ॥

নপাঙম্বা নহাক্লা থৌনা-খুৎলাই পাইহুনা
লৌগদবনি লৈপাক ওমগদ'নি য়েক্লবা
মীখোই মীহেন ওইনবা লখী কয়া য়েংগনি
লাওম কীরান থেৎপদি মীখোই'তনা থেৎপনি ॥

তরেৎ অহুরক হয়া লালোং মখল হৌহুনা
মশিং লাকপা ওমদবা নিংথৌ কয়া হাৎখিবা
পরশুরাম কৌবা মানা নবুথৌ ভীষ্মদগী
মাইথিবা কংখিবনি গুণগী 'খোইদি লৈকথনি ॥

ভীষ্ম জয় তৌওম্দকনা যমফম্ পুক্লিং রাবনা
কংগুমখ্রিবনি মাইখিবা ভীষ্ম মানা অহু গুরা
লানফমদা লিরিশিংলক্তা অকিবগী মাইকৈনোমদা
কয়া মীগী পুক্লিংনা চেনশনোইদগে হয়া ॥

ভাইবং পুথা চানিংলবা   মরৈ হা-হা ভরুবা
প্রলয় থাম্বী শুরবা   দ্রোণাচার্য্য শুরুহুনা
অশাও মৈত্রি হৌনা লান্দা   তেন থুবাম থুবাম কাপ্লক্লা
নখোই খাইগী মনুংহুদা   থাংবা শমদগে ? কনানা ॥

শাওদোক্লকৃপগী মশুংনা   মীপুম্বু মীপাইহল্লিবা
পশু য়ামনা শুরু ওইবা   কর্ণ মাবু য়েংলুবদা
"অশিবা" কৌবা লাইমকসু   অয়েপ্পা থংদবা 'কিবদা
উখং খংহৌবা লৈতনা   লৈত্রিবনি মচং চংনা ॥

মন্ত্রগী তাকক্‌ম চারবা   যুধিষ্ঠির কৌবা শিংখৌ ওঃ !
মকীয়ান্দা য়োং খেৎলিবা   ননাও নিপা অর্জুন'সিনা
তাকদোরিবা মন্ত্র'সিনা   পশুপতি মহাদেব
তৌওমদবা তপস্তানা   মখৈ ফংনা পেলহন্দুনা

"পাশুপত" থুৎলাইহুনা   ভীষ্মনা চিংবা হাৎলনি
মতিক মশুগ চেন্নদমক্   মশুগ লৈরবা লাইশিংনা
মহাস্ত্রবু নিংশরিবা   "ঐন্দ্র" কৌবা মন্ত্রহুবু
পীকম চায়ে থল্লহুনা   পীগে লাকপনি ননাক্তা ॥

মতৌ অসুম্না হাইরিবা   খৌজল্লিবা মুনিনাক্তা
শমগল্লবা অর্জুনমানা   য়েক্ক'লৈত্রবা ময়াম'গী
"চৎলু" "তৌরু" মন্নাথংহু   অচুম্বনি থল্লহুনা
মহাকী পোরয়ালগুম্না   চংশনখয়ে মরুলুক্লা ॥

খোরুকপত্ত মখাইরিবা   কোয়েহনবা মকোইদগী
মঙ্গাল মরি মরি শানা   শাৎতৌবা থম্বালদা চংশুম্
ব্যাসমুনি মচিন্দগী   মৈরিকুম্ লংলবা মন্ত্র
অর্জুনগী মাইখোং মাইকৈদা পয়েং পয়েং চংশিল্লক্লে ॥

ব্যাসদেব মুনিহুনা
লাইনিং পথাপ অপুবম্
পথাপ অচুগী মপান্না
অর্জুন মাগী মমিৎ অনি,

তাকম্ চায়বা অর্জুনদা
মীকুপ্তা খংহনব্রে তপস্যা
উৎকুনমন্নি* খকুনা
তাংলাদগী উদুগব্রে॥

অথোক্‌পা লাইবক ফবু অকনবা ইচংথোকম্
মওং মতৌনা উংলিবা অর্জুন কৌবা লিপাহুবু
লালওমনা মহৈ ওইবা তপস্যা লম্বী মাইকৈদা
ব্যাসহুনা খারম্‌দাহাইদা অসুকম্ অসুম্ তাকৃব্রেদা॥

তাক্লিবা লাইনিং পথাপ্প। নখৌনা খৌনা হেক্লংবা
নখুবম্ মীদা পিদনা নখুৎতা খুৎলাই খাদনা
অর্জুন কৌবা নগাকনা চাদ-খক্ত কয়ামুকনা
মুনি ঋষি লিচৎ ওইনা চৎকদবনি নিংখিনা॥

"ইন্দ্রকীল" কৌবা চিংদা ফরারেগ থোরাগ কংনদা
তপস্যা ওমদবা মীনা তৌগদবনি নং চেৎনা
"গুহ্যক" কৌবা যক্ষনা হৌজিক্‌কা খংলাকু লাক্কনা
মীকুপ অমদা পন্দনা নং পুরনি চিংহু তানা॥

অর্জুনদা মতৌ অসুম্না ব্যাসহু খা হাইনা হাইনা
মাংথোক্‌খয়ে খংহৌদনা চৎকম্ ফংখত্রে মুক্লিনা

---

* ঈশ্বর থিবগী লমীদা "সাংখ্য"না সংসারগী পোৎ অসি মখল ২৪ খাইদোক্‌না তাকই, মতুং উৎ হাইনা কনৈ। তত্ত্ব খংবনা ঈশ্বর থিবদা লাইনা থোকই। মতুংদি—প্রকৃতি, মহত্তত্ত্ব, অহঙ্কার, মনঃ, পঞ্চতন্মাত্র, পঞ্চজ্ঞানেন্দ্রিয়, পঞ্চকর্মেন্দ্রিয় পঞ্চমহাভূত।

যক্ষ নিংথৌ মনাইশিনা   মুনি রাজ মুর্তিগুম্বা
অর্জুনগী লৈকমদা তম্না   থুংলখরে উহৌদনা ॥

লাক্লিবা যক্ষ অতুনা   মরুপ্পুরা খুরুমজনা
নুংশিখিবনা কাহেন্না   অর্জুনদা মরুপ্পাগুম্বা
মরাইহে মেংবা লাবদা   থাজবা পোকপ্রে পুক্লিংদা
সাধুদি হেক্ উম্নবদা   থাজনবা হৌনশ্নানি ॥
(অর্থান্তরন্যাসালঙ্কার)

নেৎলম্না নুমিৎ চিংথক্লা   থক্কী মাইকৈ ওমুকপদা
চি মাগী লোকুং খুদিংদা   অমম্বনা চংথিগুম্বা
যাত্রা তৌরক্লা অর্জুন্না   মচিন-মনাও মরিতুদা
চংশমদবা অরাবত্তু   থংচং চংখরে খুদক্লা ॥

থবকী মহৈ খল্লুদা   ’রাবা-কোকথোং থাদশ্রদা
মুংশিব-থোরি লিশাংনা   হেনত্তুম্ চেৎনা পুন্দুনা
মরি থোক্লা থাইদোক্তুনা   মচিন-মনাও মরি মক্লা
অথোই-অহেনবা লৈতনা   কোকথোং পুখ্রে অমুকহন্না ॥

উপথবা মগুণ চেক্লবদা   ব্যাস ঋষিং থাজবনা
য়েরুবা থৌওং মনমনা   অশাওবা মৈচাক কনবক্লা
অর্জুন মথোনা খংবনা   চ'লক্লিবা রাবত্তুনা
মচিন মনাও মরিতুদা   লৈফম্ অৈত্রে মতম্তুক্লা ॥

মুংশিজ্জ মুখক অরিগুবা   মচিন মনাও মরিতুদা
চংবা ওন্দনা লৈরবী   অরুপ্পা কোকথোং অমদা

মরিবু থাপনা থাদোক্ত্রা মপং মপাংহুম্ ওইহুনা
নিন্দুংগী অহিংগুম্রবী দ্রৌপদীদা চংশনখ্রে ॥

অম্রাবা কোক্থোং পুম্রবী দ্রৌপদী কৌবী নিংথিবী
অর্জ্জুন মাবু য়েংজহুনা অনিংবা হাইজনিংলম্মু
মীৎলু ঈড়া ঈহৌবনা মঙ্গল কাইগনি কিহুনা
লিক্লা পক্পী থরোগুম্বী মীৎম্না পাংদবা খাংগম্ত্রে ॥

স্বরায়েণ মপারি অর্জ্জুন মুংশিব-রস চেল্লবা
য়েংজনিংনা য়েংজরিবা চাম্রবী-মাগী মীৎয়েংহু
পুক্লিং পেনবা-খুজোকশানা লম্বী চানবা চয়োম্গুম্
লোখরে হরাও হরাওনা হাপচনখ্রে ফীগাও থম্না ॥

ফাংগম্দ্রবা সাম্মু লম্শানা ওলাংথাদা ভুরেণ নৈগুম্না
তপথ'ফাবা গুম্লক্কুবনা লাংতক্পা পুক্লিং পোল্লক্কুনা
নিংথৌ মমোম্লোই দ্রৌপদীনা, কপনিংবহু ক্রক্ ফাল্গুনা
হিক্লা হিক্লা ঙাংবা রাঙাংনা হাইনিংবা রা হাইখ্রে তম্না

কক্রূৎকুম্বা-য়েক্ল' নমথাক্তা কাংগম্দনা ভাগ্রবী সম্পাৎ
লোখৎকদোবা ইবুঙেঙানা তোদোরিবা তপ পাংথোক্ ফাওবা
'খোই কাইনবগী পুক্লিং লাইনা, ফুক্তোক্পিম্লুকো মক্ল ক'ন
তপথবা লৈভবা হাই'সিদি ভপকী য়েক্লবনি থনবিম্মু ॥

মীংচৎ চৎপা পাম্লিবা মুংঙাই ম্রাইক কংনিংবা
মীথোইই মীহেন ওইনিংবা মী মানা মথোদাংদা
মপুক্লিং তহাত্র'দি পাংথোক্লিংবা পাংথোক্কু
মথোংথোংনা লাক্পগুম্ মচম্বাক্তা লাকপ্নি ॥

নোংদম্বা কৌবা লাইহুনা তাইবংপানবু ওাক্লনবা
শেম্শ্রবা ক্ষত্রি মচাগী থৌনা-লনবু মুনখিহুনা
অন্ন-জীবিকা লৈতবদি মথৌনা কবা মীগীদি
ইকাই থুম্ববা মাংবনা মথল্লাই থাবগা পাংখল্লি ॥

সভা ময়াইদা হুঃশাসননা ইশম্ চিংখিবগী থৌদোক্তু
থাজবা মীনা ভ্রকৃপদা ভারিবা নিংথৌ কয়ামুক্লা
রানা থাংখিবা মরু লুক্লা 'সিয়ৌগ্রবা মাইখিবহুনা
পৃথিবী শিনগ্রবা নমীংচৎ পিক্শনহনখিশুস্মি খল্লিদা ॥

(কাব্যলিঙ্গালঙ্কার)

য়েক্ল'না পিবা মাইখিবনা 'বুভেন্তা 'পুম্বগী মমাংদৈগী
থৌনা মমিকাও তাহন্দনা ত্রু ত্রুনা চামথোকৃতুনা
ইরৈ লৈরম্দগুম্ উৎতুনা সুংখিল মমৈ হুইখম্নকপনা
সুমিৎ মশেক্ তেনশনহনগুম্বা ভুংগী লম্বী তেনশনহল্লিদো ॥

য়েক্ল'না ইশম্ চিংখিবা সভা কনা য়েংখিদবা
নিংশংবা কাওদ থাংঃমদে করি'মুক্ হাইনি তিংশোক্তি
'বুভেন্তা কাইনরমদাই'সিদা মহু ইথৌ থৌদোক্লক্লে
কংগ্রবা ঐগী থমোইসে অমুক ইনৌহুম্ নৌরক্লে ॥

(সমাসোক্তি অলঙ্কার)

ময়া শৎগ্রবা শামুগুম্ নাপন-মহু শৎখিবনা
ইবুঙোগী শকওং অসে অকাইবা শকওং ওইখ্রেদো
য়েক্ল' থৌনানা হেনগ্রবা ইবুঙোগী নথৌনাদো
লৈচিল্লা শ্রীইকৈ কুপগ্রবা ইথম্ থা মমুক কুম্থ্রেদো ॥

মথৌদাং পিদবদগী খুৎলাই'পুবা ইবুংঙোগী
মশক্ থোক্কু ইকাইগুম্বা মচু থোক্লে কঞ্চনগুম্বা
নমীংচৎ মা'খিবদুনা ঈশিং কংবা সমুদ্রগুম্
ইবুংঙোগী শকওং শক্তম ওন্‌গুনে অমা ওইনাতুম্ ॥

দুঃশাসন খুৎচিং-উক্বা ইফা-ইকা ফাখৎবা
মপু পাক্রবা মতাগুম্ মরাইংবুনা মপু-ওইবা
ইশমগী শমুম্ খুদিংনা নথৌনা থিনা হাইবিবা
ইবুংঙো নহাক্সে হৌজিক, ধনঞ্জয় মীংথোল লৈরিব্রা ? ॥

মীগী নিংবা থুংহনবনা নিংথৌ মচা অশেংবনি
লিরিবা থবক ওয়বনা লিরুং অশেংবা ওইবনি
অর্থ অনিসি লৈতনা লিরুং পুবা নিংথৌ ওই'দি
নিংথৌ লিরুং অনিমক্তা হৌরকম্ লৈহন্দগনি ॥

ইবুংঙো ! নগুণ অপুম্বা মশক মচু থোক্তদুনা
ম'মিদমক চাইগৌদুনা নংগী মঙ্গলত চাইদুনা
ঐথোই পুম্বগা মায়না রামিন্নবা মতাগুম্বা
ঐথোইগী শকওং শক্তম্ মথৌ অমখরে হৌজিক্তা ॥
(আর্থী উৎপ্রেক্ষালঙ্কার)

মশা চেকশনথৌদদগী শাশিংগী নিংথৌ নোংশাগী
মশোং ফোইথিগুম্ শামুনা রাথন থনবা রাৎহৌবনা
মাইথিবদ্রিকা লেক'য়া 'বুংঙোত্তা শবকী-থাম্বনা
সুংখিনগী নিংথিবদুনা সুমিৎপা লৈতত্ত্ব লৈবুসি ॥

মীদুনা মীপুম খুদিংনা তৌগদবা থবক্তা বু

মথৌনা না তৌথোক্তুনা   ময়েং মপুং কাহনবদি
মীয়াম তিল্লকপা মতম্গা   মী মচং শিংথানরক্তা
মা থঙ্গৎলকপা মশিংনা   মশা শোক্তে করিগুম্দা ॥ *

খুদোংথিবা লৈতবনা   মঙ্গলতওইবা মকম্দস্তু
নথন্দমক্ লৈরুবদা   নপুক্লিং শোম্ববিগনু
'পাম্বা-কল্লকপা অনিনা   হৌনশা ওইবা মীওইবগী
মপুক্লিং সাধু-বৈষ্ণবতা   চেন্দে হাইনিংগাই লৈত'নি ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

হাইজরিসি খনবিহুনা   ব্যাস য়াথং পাংথোক্তুনা
নিংজরিবা 'খোইপুম্বনা   থুংহনবিয় ইবুঙ্গোনা
নথোপুম্বা পাংথোক্তুনা   হলক্তা 'বুঙ্গোবু চেৎনা
ইথবাক্ চিংগী চিংমাইনা   মাইয়োক্চনিংঙি ঐহাক্না ॥

দ্রৌপদীগী হাইদোক্লকপা   ইনৌ নৌহনবা মাইথিবা
য়াহৈ-য়াতাহু তারগা   যাত্রা তৌরবা অর্জুনদা
অয়াং মাইকৈ খোংশাল্লক্তা   থ বিশেঙ্গোইরেন পাম্বদা
মুংশা-লৈশা হেজংলক্তুম   থমোই-মৈচাক্ হেজংখয়ে ॥

অইংবা শককম ওইরম্বা   অর্জুন মৈচাক হেঙ্গলক্তা
পুয়িৎনা মন্ত্র শোন্দুনা   খুৎস্তু খুৎলাই হাপলকপদা
য়েক্লবা মাংদা উগুম্না   মী হাৎনবা মন্ত্রগুম্না
অকিবা ফংবা শকও'দো   খংহৌদনা ওইখয়েদো ॥

মীচু খৌনাদা অঙ্কিজবা ওইত্রে।

স্বরারেননা থাখিবা
মূর্ত্তি থুসা মীংচনা
থরাংচাক্রা লংলবা
মণি হৎপা ফুরিৎতু

বজ্র য়াখন অতংবা
কুপশনখরে খুদক্তা
কোরৌ নোংদে লৈথমবা
লিংশনখরে মশাদা ॥ *

কুবের মরাই য়ক্ষনা
পাংলবরা অর্জ্জুননা
মীৎলু হৈড়ু ঈহৌরবা
চৎমরবা থমোইমুংদা

তারিবা হিমালয় লম্বী
থৈতু বনদা খুন্দারিবা
তপদৌরিবা মুনিশিংগী
মীকুপ অমর্দি চংগ্রেদো ॥

মতমরদা স্বর্গথক্তা
মাইকপুরা শিনরা থুংনা
তিয়াথক্কী লাইশিংনা
কক্কবা চৎথৈ থৈতনা

ছন্দুভী রৈগী পুংখোলা
ইরিন রিনগ্রে থংহৌদুনা
চাইথরকপা রৈগী নোংনা
শন্থোকুথরেদা খুদক্তা ॥

"ইন্দ্রকীল" কৌবা চিংতরা
যাত্রা তৌরকপদা অর্জ্জুননা খুংথাইরক্কনা সুমরনা
ঈথক পাম্থোম তিংথোরক্কনা মুংশি বাহৈ মাতা হাইগুমা
থোৎনা মেংনা মাংশিরা চৎনা ক্লোনখরেদো মাইথোং চুপ্তনা
হরাওজরবী পৃথিবীবু ॥
(সমাসোক্তি অলঙ্কার)

অরুমগ্রন্থ প্রদুপ লৈইরে ।

---

* খাণ্ডবন মৈথাইজা স্বরারেনদা অর্জ্জুননা বজ্র লাখিবু

মনিপুরকা পন্দুপ

চাওগান থাংলিবা খোংথাংনা
সন্জু চৎলিবা কাওড না
মুন্নবা কৌনা মপৈনা
চান্নবী পুবী খুদ দা

যক্ষ তুংইন্নিবা অর্জুন
চিন্নাইবা খাংনপা ওইরবী
অচৌবা কুচু ওইরবী
লৈশঙ্গে চৎলকপদা ॥

লুরক্নবা কৌনানা
থম্বাল শাংবী পুম্নিনা
খুনয়া তাবী লবুকনা
মখেনপোৎ খোংছুনা

মীৎকম হুনা ফজবী
পুক্নিং গ্লোইরাং পোকুহনবী
শরৎকী সম্প্রুন্নিবু
মায়োক থাত্রে অর্জুনদা ॥

খুনগী খুনয়া খুদিংমক্তা
লাইজ ইশিংচাক্লিবা
পুক্নিং খোইদা য়েরক্লেগুন
অর্জুনগী পুক্নিং হুখকে

উরু উরুবা মফমদা
শাৎলিবা থম্বাল মুমিত্না
লেমলৈগী মখে লাংবুনা
থয়োইগী ইনক হেইখরে ॥

করিগুম্বা মফমদা
স্থল কমলনি খনবা
থম্বাল লৈরিক কেল্লকা
মংগৌদনী আখকে

লৈকা কনবা থম্বালদা
অর্জুন মাগী চিংনুবা
কোলোল ভৌনা ক্নারকা
থম্বালনা কোহুম্বেল
(কিশোর সদয়োর্ঝন ভুলকার)

মীৎয়েং থাথা য়েংলু'দা
...

মানা মৌক মফমদা
...

তপ্তুক য়াঙ্গংলক্লবী সমুদ্র তালোই তুরেন
ঈনাং-কীগে শেংতুনা অর্জ্জুন মাংদা লেপখরে ॥

লৈকুৎ লৈরাই লম্বীদা চেপ্লবদি ওমজদ
সঙ্গোল শংদি য়ৌনিওক মচা উনিং মরাংহৌ
খোম্মীদগী অমৃত তৎতনদি শিম্বরক
রাজরবী যণনীনা যঞ্জাবুং মাইকৈদগী ॥

অরা অনা থিদনা শোক্লি পম্লি য়েংদনা
মীনা থৎপা য়াদনা মচাদবু নিংশংনা
যঙ্গোল তম্না শাল্লকপা ময়ুম মাইকৈ পাংলকপা
অর্জ্জুন মাগী পুক্লিংদা য়েংনং মরাং হৌখিদা ॥

শামান্নবা লানথেংনদা লাওম কীরান থেৎপওম্না
খোংলিবা নাকোং শেং-কাইনা লৈরাই কাইহনবাচিকেংনা
যরূপ পুবা যণ লাবনা শরৎকী নোইপেন উৎকুম্না
অর্জ্জুনগী মীংমাংদা লেম্না লেপপ্রে নাপল-মূর্ত্তিওম্না ॥

উন মংপওম্বা কুচুনা চৎলিবা যণগী সঙ্গুনা
শরৎকী তুংরন খোংনুংদা খোংখাং-থক্তা ওমথৎলক্তা
লৈরাইনা লোইরোইনরবী কীজোল তাখৎপী কৈওবী
মীৎয়েং তারিবা অর্জ্জুনদা "কজৈ নিংথি" হাইহন্নিদা ॥

(স্বভাবোক্তি অলঙ্কার)

সঙ্গোম্‌গী য়াওন খুদিংদা প্রুং-প্রুং লাওবগী মখোলদা

নোংখোল্ মখোন্নি খন্দুনা   অংগোই শাম্বিবা রাইহোংনা।
ময়ুমগী মাঙ্গল মথক্তা   সঙ্গোম্গী মাখা চিঁখেৎদা।
তাংজ মরাই লুরুক্নবী   থালাগী তালোই শক্হেনবী ॥

শম্নাংনা চোইনা তাবনা   খোইমু সন্নু ইনগুম্লিবা
মোমোন নোক্পগী য়াতানা   লৈরিকা মওংগুম্লিবা
কুণ্ড না-ইনগী মডান্না   নুমিৎ মশেক্ য়ৈগুম্লিবা
থম্বাল মান্নবা মাইথোংনা   অর্জুনন মীৎয়েং হোংহনখিদ্রে ॥
(উপমা স্বভাবোক্তি ২ গী সংসৃষ্ট অলঙ্কাব)

খুঙ্গং খুঙ্গং খুদিংমক্তা   য়েংঙ্উ য়েংঙ্উবা ঋুম্থোংদা
হৌরি হৌম্বিবা হৈপাননা   জুম্ জুম্ য়াল্লিবা মহৈনা
লৈরি লৈরিবা লৈপাননা   ইফল্ ফল্লিবা লৈকানা
তারি তারিবা মীশিংনা   ইত্তিং তিংলিবা লাজনা ॥

ফীজেৎ লাকৃচেংৎ কয়ানা   ইচম্ ইচম্ চাল্লিবা
তৌনরিবা থবক্তা   উচুম্ উচুম্ চুম্লবা
য়ুম্বাল্ কৈবাল্ মওংনা   মুনি আশ্রম্ গুম্লিবা
য়াকাইহনখ্রে অর্জুনদা   লাইনিংবগী লিচৎতা ॥

খুন খুনগী মফম্ খুদিংমক্তা   থাক্খিদ্রে মশাগী কজবা
উনখিংবা মী উম্নবদা   মশা নিংখিবা উৎনিংদ'দে ত্'(কনা) ॥

কুবের মনাই যক্ষ'হু   খুনম্বা লম্দম্ চৎলক্পদা
শরৎকী সম্পাৎ য়েংবদা   মীৎয়েং হৌংল্লবা অর্জুনদা।

রাহং পাওথিবা য়াওদনা রাঙাং নিংথিবা ঙাংলক্লে
মীগী মীৎলৈ থংবা মীনা হাইদ' তৌদে হংত্রবস্থু ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

অর্জ্জুন ! ঙসি কোয়ৌ'সিদা নিয়তি- নোংদম্বা মাগী
নোংদম্ মতম্ মওংগুম্বী নোম্বগী মহৈ লোকহনবী
লাইজপুম্বা পালহল্লবী নোং-তাদনা মংহল্লবী
"শরৎ" কৌবী ঋতু'সিনা নংগী মঙ্গল হেঙ্গৎহল্লি ॥

মুল্লক্পগী নিংথিবনা মহৈ মরোংদা চংলক্পনা
ঈশিংগী ঈথক্-ঈপোম্না তুরেন খোংমুংদা তম্লক্পনা
লৈখোম্ লৈনাং লৈতবনা লৈরক্ থুল্লক্তা লৈরকপনা
হৌজিক্ ইনৌ নৌং-গুপনা নোংদা নুংশিহন্ত্রে শরৎনা ॥

অতিয়া মাগী মথক্তা উরোক সঙ্গুনা পাইত্র'স্থু
নোংথাং কুপ্লবা নোংহৌনা পয়েংশানা হৌরক্ত্র'স্থু
মাগী ফজবা নিংথিবা মাংদনা মরৈদো 'তিয়া
মশানা ফজবা পোৎতি অমুক্ য়েংনদে শেমশাবা ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

চহি কুমজা-ইমুং মমুংদা শরৎ-য়েক্লবা চংলকপদা
নোংজুথা-মপুরোই মাংগ্র'দা রাজরবী মাইকৈ-তালোইনা
নোং-হৌত্রবা 'তিয়া-থবাকী নোংথাং-লিক্লাংবু লৌখোকথরে
রাবথাংবদা কংথিবনা নোংচুম্-থবাকচিংচুমত্ত ঙাইগ্রে ॥
(সাঙ্গরূপক অলঙ্কার)

চংলকপদা শরৎ মানা মশাদি ময়াই কাদনা

রাংনা রানবু খোংলিবা   রাহোংগী "কে কা" মখোন্দা
তানিংলম্বা থাদোকথরে   তানিংলক্লে কাওঙ খোঙ্লেল্
সুংশি'দি লৈবনি শুণদা   লৈতবনি শকৃথংন'দা ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

য়েংউ অর্জ্জুন! ফৌ-পান্দো'সে মহৈনা খোইঙাং শাহুনা
মনাক্তা শাৎলিবা লৈরাং   থারিকৃথা থরোশিং'সিগী
চথোক্লক্লিবা লৈনম্বু   নমগে হাইবগী মতাশুম
মরু লুকথনা লৈরি'সি   মীৎকী কুম্মেনি য়েংবদা ॥

ঙুং-ঙু ঙংলিবা খোইমুনা   ময়ুম মাইকৈ পাংলকপদা
লৈরিক পকপা নোংলিক চেনবা,   মালংবা মানা য়েবদা
মশা ফা-পুনগে থিরক্তা   চংফম লৈকম থঙলক্তুবা
লিচৎ ফৎতবা মীওয়া   লম্বী লমগক্ক'সে য়েংউ ॥

পুশ্রি মপাল খোংদাবী   মচু 'শংবী উরিগী
তারক্লিবা মমিগা   থম্বাল'ঙাংবা মঙালগা
য়েৎশন্নরা লৈবনা   থম্বাল লৈনা মতোম্না
নাপু মচু থোকপনা   ষরারেনগী লিরুংনা

লৈশুন্নিবা লাক্তনা   লাইজ'সিবু উবদা
নোংথাং কুপথিদবনা   মীৎকী মীৎয়েং ঙপত্রবা
সুংশা মঙাল চংবনা   নোংনা ঙোনা পক্লিবা
'তিয়াহুনি থন্দুনা   সাফু কম্না পাইশনবা

কাওঙশিংগী মখোল'সে   থাইন মৈশা লাংলিবা

মোংগী তাপোই মাইকৈমা মশা তিজং য়াংবা
মপুম্নোইব ভাইথদা মপুক্কিং খোইম্নাংঙুনা
অম্না-অমা খোম্থাংদা নুংশি মুংনা কৌগনি ॥

কুবের মনাই যক্ষনা শরৎকী সম্পৎ শিংথাবা
য়েংনা য়েংনা লাক্লিবা অর্জুন মহাকী মীৎমাংদা
নোংখোং ফুইনা মংলিবা অপৌবা নোংগী মওঙুম
চিংগী নিংথৌ হিমালয় তগুপ তয়েংনা ঙাল্লক্লে ॥
(অসম্ভবোপমা অলঙ্কার)

লোইয়া লমদম অপুম্বদা ইমং মংলিবা উমংমা
মাগী মতোন্ত মতোনদা ইভালত ঙাল্লিবা উম্না
হিমালয় মাবু উবদা ইঙক ঙাক্লিবা অর্জুননা
ফীজোল শংবা শেৎপা খাংদা নিংশংথরে বলদেব ॥
(স্মরণ অলঙ্কার)

হিমালয় উবদা অর্জুননা মাবু জয় তৌগে মতাঙুম্না
সাফুনা তিয়া লানগেঙুম্না চংশনখরেদো মৈনাক উম্না ॥

তিয়া খেৎপা চিংদোম্না লিনগী নিংথৌ অনন্তঙুম্বা
সনা থোকপা চিংখাংনা নোংথাংকুপ্পা শরৎ মেংঙুবা
মণি মডাল মপৈনা ফীগে-ফীরা কাজোল শেৎকুম্বা
চিংলাইরেম্বী লৈকমনা কজবা য়ুমশাংও মওংঙুবা

খুংজাও কারক অহোংনা নিংথিবা সুনথোংঙুম্বা
নিংথৌ কৌনুং ঙুম্বা হিমালয় মাগী মকম কয়া

উবা কংথে অর্জুননা
মওং মতৌনা
পোকখয়ে পুক্নিং চংঙক্লবা
মনিং থুংলগনি নিংখয়ে ॥

মহাক্কী চিংখাং থুদিংনা
অখাক্-অরাও য়াওদবনা
স্বরান্নেন কৌবা লাইচুনা
হিমালয় মাগী মশাদি
তৎতনা নোংজু কুইবনা
নোংখাং মমি তাদবনা
চিংগী মশাবু ককৈতদা
কক্খিদবোই খল্লহল্লিদা ॥

হিমালয় মাবু য়েংবদা
চড়ক্লিবা অর্জুনদা
ইকাই থুম্নগা লোইননা
অভাবগী তানিংলক্তা
ফজবা পুম্বা উবদা
কুবের মনাই যক্ষনা
মাগী মঙ্গল শিংথানঙক্লে
হংদনা হাইবা কজেদা ॥

অর্জুন ! ঙক্তা !! য়েংউ মুন্না
নোংলম্বী লিশিং লিশিংবু
মসিবু উবা থুদক্তা
পঙ্ক্ষা পাপকী মপৈবু
ভৌবা চিংদোন মপৈনা
মতুপ-মতুপ ককথৎলসে
অর্ডবা কাংবু শিংচুগী
পল্লহন্দনা পকহন্দেদো ॥

অখং-অহৈ কাংবুনা
শিংথানরি খরদং
মীনা চংবা ভমজ্রবা
ঈশ্বর তত্ত্ব খংগুম্নি
শিংথারোনগী মতেংনা *
মাগী তত্ত্ব'জুংদগী
মাগী তত্ত্ব খংবদি
ব্রহ্মাতনা খংগনি ॥

ঐনা খল্লিদো অর্জুন !
মরোল 'হুমগা মান্নদে
হিমালয় মহাক অসে
মরমদি মী পুম্বনা

* পুরাণগী মতেংনা

মাগী শুণ খংঙমন্ত্রবা মহাদেব মহাক্না
মাদদা মাগী লৈফম মতম্ পুম্ব ওইনরি ॥

চিং অসিগী মথক্তা ব্যাস য়াথং থাদনা
পুক্কিং শান্তি ওইরম্ব ক্ষত্রি লিচৎ কাইদনা
তপস্যা তৌরুরোকো পুক্কিং ময়াই কাদনা
থবক্তা মহৈ য়ানবা 'তাংবনি য়েখাইদনা ॥

মরম্ ইরৈ লৈত্রবস্থু মী অমনা মী অমগী
চাওখৎলকপা হেক্ উবদা যেক্নবা ওইবনি হেক্তা
হেক্ চাওখৎলকপদা মৈনা কনা ইনশনবা য়াওদন
হেমক লাক্কুনা মালংবা থৌরাংবনিকো মুৎনবা ॥

নহাক্কী ইন্দ্রি-সগোলশিং লম্বী নৎত'দা থাদোক্লু
রারক্ল'দা তপস্যানা ভাকপিনি মহাদেবনা
মাইকৈ ভাক্লিবা লাইশিংনা তপস্যাগী মতম্তুদা
নপাঙ্গল হেঙ্গৎহনসনু মহৈ হেঙ্গৎপা পিসনু ॥

অর্জ্জুনগী পুক্কিং খোইদাকম কুবের মনাই যক্ষ'তু
পাওমেল্লগা রারম'সি ময়ুম মাইকৈ পাংথরে
মাগা কাইনবা থুদক্তা মাদবু খৌরাংথ্রে অর্জ্জুন
অফবা মীগা কাইনদি 'রাবা[illegible]ক্তা মপোকহল্লি ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

মরিশুবা পন্দুপ লোইরে ।

মণ্ডাশুবা পন্দুপ

মওং মতৌনা নিংথিবা সনানা চিংখাং ওইরিবা
লম্বীনা লংনা তারিবা "ইন্দ্রকীল" চিংমথক্তা
কারক্নুম্না গরুড় থক্তা জগৎকী মপু বিষ্ণুনা
কাখৎলক্লে অর্জ্জুনমানা গঙ্গাদেবী মায়োক্নুনা ॥

চিংথক্ তম্নকপা অর্জ্জুনদা চিংমাইদা নেৎপা লৈপালনা
খোইমুগী ভুং ভুং খোঞ্জেল্না জয়ধ্বনি তৌবগুম্না
মালংবনা য়েন্নকপনা মরু লুক্ক-লুক্কুনা
লৈগী-নোংনা পরেংশানা তুথখরে অঙক্ ফংনা ॥

গঙ্গাদা ঈরাং লুরবা য়েবদা পুক্নিং ইংলবা
মলয়ালম্গী মালংবা ঙৈনম্ লৈনম্ পুরক্নুনা
মকপ লাক্লে মতাগুম্না অর্জ্জুন মাবু মায়োক্নুনা
মশা-চেন চেন্না লাক্নুনা কোনবিখরেদো নুংশিনা ॥

অনেম্ অরাংবা নুংথক্তা ঈচেল কম্না চেন্থবক্তা
ঈরাংলিবা ঈচেল্লক্তা কাওভগী খোঞ্জেল য়াল্লিবা
পুংয়েগী পুংখোলগুম্লিবা "ধুম্ ধুম্" হাইবা ঈরাওখোল্না
গঙ্গাদেবী ইমা মানা অর্জ্জুনগী মঙ্গল পিরক্লে ॥

থম্বাল লৈরিক্কা ভাংঙ্রাবা মরক্তা হোবা লৈত্রবা
ঈথক্তা ঈপাল্ লোক্লিবা ঈপোম্দা মখে লাংলিবা
ভুরেনগী থাখুম্ কংগুম্বা ভানু-থঙ্গোংগী কাংলুপ্পা
অর্জ্জুনগী পুক্নিং পেনহনখ্রে মীৎকী মীৎয়েং হোংহনখিদ্রে ॥

য়েংখৎখিবা চিংথক্তা
হৈপাল লৈপাল পুংলবা
অর্জ্জুন বাগী মীৎমাংদা
উমং অমা লেপখরে ॥

উরীশিংনা লৈকা ফল্লিবা
উমংজুনা পুক্লিং হুরিরা
ইন্দ্রগী মচা অর্জ্জুনদু
ইনবা ওমত্রবা মথৌনাদু
উপালশিংনা মহৈ চুম্রিবা
উল্লিবা "ইন্দ্রকীল" মানা
ইল্লি লাকশনবা তপস্যাদা
ই-শল্লকুলে মতমত্থুদা ॥

চিং মহাক্কী মথক্তা
লাইনিং পথাপ থাদনা
মুনি লিচৎ চৎলকপা
পুকচেল চাওবাশিংগী
লিংগদবা বিষয়দা
পুক্লিং চংনা থমত্থুনা
অর্জ্জুন রাবা পোকখিদে
করি লৈনি ? রানিঙাই ॥

ইল্লি খুত্থুম্ চনখিবনা
হচা মীচা খাহখিদ'না
তপ তৌরিবা অর্জ্জুন মাংদা
নোংম নোংমগী হেনগৎত্রে
নুংঙাইথক্তা তাওখিবনা
পুক্লিং মম্বা মাংখিদনা
থা কলাগুম্বা নিম্মাংদা
হোত্রবা তপস্যা মানা ॥

খুৎলাই থাদ্রস্নু অর্জ্জুনা
লোথুপ লৌকোই য়াওদনা
মনাক্তা শঙ্গী শওঙাইনা
ঙাকপিহৈবা গুণ মহাক্না
লৌনম লিচৎ চৎতবনা
মুনিবু মথা থাগুম্ত্রে
শান্নখরে মনিংতম্না
নুংশিহন্দ'গে ? কনাবু ॥

নুমিৎশিংখোং খরদনা
ফংভমদবা বৈভবজুনা
পোক্লত্থুনা পুক্লিংলাইনা
স্বরারেন মনাক্তা তম্না
তৌওমদবা তপস্যানা
অর্জ্জুন কংদৌরে উত্থুনা
বন ওাক্লিবা কাক্লুনা
চৎখরে পাওদমুনিংত্থুনা

স্বরারেন কোন্নু য়োবদা
চংবগী য়াথং ফংবদা
চিং-ভাক্‌শন্না বগী শিহান্দা
হঙ্গংলরে স্বরারেন্দ।

বন তাকপা কংবু খুদক্তা
চংশন্দুনা খুরুম্নগা
মাথো পা হৌক্রে মওংদা
থৌজম্‌ পুম্বা চিংথদনা

মাইনিংথৌ স্বরারেন'বু হেক্তা।
সুমিৎ-থান চিংবশিংগী
উকু-য়াকু কীজেল ওইবা
কংভমদবা যম্‌ কংনবা

ইবুংঙোপাম্বী চিংথক্তুদা
মশক্‌ কুম্নবা অমগী
মী অমনা কনা হুন্না
তপস্যা তৌরম্বে কন্‌বা॥

নিপা মাগী মপান্বে ম্না
মীপাই পোক্‌পা য়েক্লবন
মাগী চৎলকপা লিচৎনা
মুনি-ঋষিবু মহাক্‌না

কিনিঙ্তাই ওইরি লিন্‌ থুম্না
খুৎতগী থাদে লিক্লংনা
য়েংথোক্লিক্লিবা গীংয়েংনা
থমন্তুন্নদো মথা থানা॥

মাগীদমক্‌ মালংবনা
পৃথিবী কৌবী ইমানা
মাগী লৈফমদা মালংনা
মৈ-ঈশিং মুংশিং 'তিন্নানা

লিরি লিন্নত শিংথরে
তম্পাক্তা কোনম্লে প্রমগুনা
উফুল য়াইফুল চেন্‌ খিদরে
মাগী সেবা তৌগুমখরে॥

ঋষি সাগৈদা পোক্‌পরা ?
নিংথৌগী কোন্দা হৌবরা ?
'তিন্নানা পাইনা চেন্নানা
থবা ওমজন্নে পল্লেকম্‌

হিংচা' সাগৈদা শাৎপরা ?
নিপা মাগী হৌকম্‌ শাৎকম্‌
'তিন্নাগী মখৈ কংদজন্‌
কংবা ওমজরে পন্‌থুনম্‌॥

মাগী তপস্যা মঙলসি
মপু খুমন্না মচৈনা ?

চৎলিসি নায়া য়ায়া? অক-কৎত ভাকপিগনি॥

ময়ারেন্ কৌবা লাইনিংথৌ পাণ্ডদময়গনি লাক্লিবা
বন ভাকৃশেনবা মচিন্দগী পাণ্ডহং অসি তাবদা
মচা অর্জ্জুন্ নি খ'ল'সু মচানি হাইবা কেংাখিদ্রে
মপু ওইবগী য়াথলসি মহৌশানি নীতি চেন্বা॥

মচাগী লাইনিং পরৈহু অচেৎ চেৎতা চাং য়েংনিংব্রে
মাগী জগোই শাবীশিংদা ময়াথং থাখয়ে মান্না॥

ঐগী জগোই শাবী'পুম্বা! পুং ঈশৈদা হৈ শিংলবা
গন্ধর্ব্বশিংগা লোইননা চৎলো "ইন্দ্রকীল" তম্না
নিপা মাগী তপস্যাহু থৌরাংশঙ্রো কাইননবা
মুক্তি পায়বা মী কাওসু নথোই উঁদা পুক্ওায়নি।
(অর্থান্তন্যাস অলঙ্কার)

মতিক্ মগুণ লৈরবা নিপা মাগী মথমদা
অতোপ্পা মুনিদাগুম্ শাপকী য়াথল থন্নুসু
মীংচৎনা লন্ ওইরিবা অথৌবগী পুক্লিংদি
নুপী ওইবী মীশক্তা পাপ লংশন্বা পোক্ত'নি॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

ময়াথং থাদোক্খিবদা থুরুমুহুনা থুরুউ লৈতা
কীগাও শাহুনা য়ায়িবী জগোই শাবীশিং অহুনী
থবাক্ চিংহুম্ লুরুরুবা থম্বাল সমগৎ হুঙ্গ্রবা
য়েংওমখিদরে য়েংবদা মমিৎ লিম্শিংনা মহায়া॥

অর্জুন্গী লাইনিংকম্ কংদা
খোংগী খোংথাং খুদিংমক্তা
খোইমুনা থম্বাল্লি খন্দুনা
অভিনয় মখল উংত্তুনা

জগোই শাবীশিং খুদক্তা
ভাংত্রাববা মখোয়ত্তুদা
কোইনা কোইনা ইল্লত্তুনা
জগোই মখল শাগৎলেদো ॥
(ভ্রান্তিমদ্ অলঙ্কার)

স্বরাবেন জগোই শাবীনা
কুন্তী মপাল্লি অর্জুন্দা
অশাওবা-মৈশা লাংস্লিবা
অকে-অমোগী মুংচাইদা।

অঙক ফংবা অভিনয়না
মথৌ পাংথোকপা ওমুখিদ্রে
মগুন চেন্বগী পুক্লিংদি
মতম্ পিদে মগোশানা ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলঙ্কার)

অর্জুন্দুগী লাইনিং পরৈত্তু
নিংল্লকপা পুক্লিং নিংখাইত্তুনা

হন্দোক ওমদত্তুনা মখোইত্তু
নিংওমদনা হনখ্রে নিংকোক্লা ॥

মঙাশুবা পন্দুপ লোইরে

তরুকশুবা পন্দুপ

জগোই শাবী হুরদা
য়েক্ক' রাখন্ কন্খিদকী
লাইনিং পরৈদা মচানা
থাগী লাইনিংকম্ ওমত্তুনা

স্বর্গ নিংথৌ স্বরাবেন্না
হোৎশানা থাং কুন্'দগী
পুক্লিং চেৎখ্রে খংল্লত্তুনা
লাকখরেদো খুনা য়াংনা ॥

হনুমরবা ফীবমনা মশক্না মুনি ওইবা
লম্বী শাংনা লাকপনা অরা চোকথ উৎলিবা
লাক্লিবা স্বরারেন্না মমাংদা চপ লেপ্লবা
উখরেদো অর্জ্জুননা লাইনিং পরৈ চেৎলবা

অর্জ্জুনগী পুক্লিং হেক উবদা নুংশিবনা থুমহৎখরেদা
খংনব্রে'স্থ মরি মতাদি হেমক্ মফাওনৈ নুংশিবদি
মচাহুদগী স্বরারেননা অতিথি পূজা ফংলহুনা
পোথারগা ফীদামথক্তা রারম্ অসি গাইত্রে মচাদা ॥

নংদি নশা নহা ওইনা তপস্যা তৌরি য়াম্‌কন্না
ঐগুম্‌দি চহি'সি ফাওদা বিষয় থৌরিনা পুল্লিদা
নংগী নওংসি নিংথিদা নশা নগুণ্স্থ চেল্লিদা
তাইবংদা হোংনৈ ফজ'দি তাংনা থোক্লে গুণ্চেনবদি ॥

মথোক্ কাবগী ফজবদি শরৎ থাগী নোংগুম্বনিকো
বিষয়দা পুক্লিং লুপ্লুবদি মমৈদা রাবা নংবনিকো
পোক্‌পদগীনা রাদনত লেল্লিবা তাইবংপানবনিকো
শিবনা অরোইবা ওইরিবা মীওইবশিংগী মপোক্লিকো ॥

থাদোককম্ থোক্লবা সংসারদা মগুণ চেল্লবা মীহুতনা
অরান্বা খুবম্ ফংনবদা মপুক্ চংনা থৌরাংনরিদা ॥

লাম্লবগী রাখল্লুনা নংগোন্দা নকৃশনবসিনা
নহাকৃসি জ্ঞান্ লৈয়ে খংলে অহুমদি ওইহিক্লগা
নংনা চৎলিবা লিচৎকা নখুৎতা পাইবা খুৎলাইগা
নকৃশনবা য়াদবনা চিংনহল্লি ইপুক্লিংসি ॥

লাল্ তৌনিংবা মতাগুম্না
তপস্যা তৌবা মীশক্তি
করি খুৎলাই পাইরি নংনা
পদ্মমালাত মপাইনৈ ॥

অরান্বা খুবম্ তাল্লিবা
কনাদা য়েক্ল' থম্জ্রবা
লিরুং তেন্দোং অনিসিনা
অকি ফংবা থাংশাংসিনা
দেহবু "ঐনি" খজ্রবা
নংগী তপস্যা তৌরিবা
যম্গী পাম্বোম্গুম্নবা
তপস্যাদা মতেং পাংব্রা ? ॥

নংগী নপুক্লিং অসিবু
খুৎলাইদি শাওগী মমিনি
য়েক্লবা জয়বু পাম্বরা ?
গাকপিহৈদি তপ্কী লন্নি ॥

অরান্বা খুবম্ ফংনদা
মীগাৎপনা মহৈ ওইবা
ঈখোলাংববু কোক্তন্বা
উফুল-রাইফুল চাইশন্দুনা
খুৎলাই ওইনবা তপস্যা
শিংথানৈ 'পাংশিংদা মীমা
লুনা লৈরিবা লাইজদা
চেলহল্লি লৈনাং মী মানা ॥

(নিদর্শনা অলঙ্কার)

মীগাৎ মীপুন্গী পোক্লকম্
ললথুম্দা অপাম্-মুংশিদা
অরানবা খুবম্ তাল্লিবা
মীমাগী অনি অসিদি
হুয়ান্-চিথিগী হৌনকম্
নপুক্লিংকাও নিংলুগনু
সংসার থারগে খল্লিবা
'কনবা য়েক্ল'নি খল্লুকো ॥

হিংসা তৌত্নুনা জীববু
কংনবা তাল্লিবা মীদা
পাক্লবা সমুদ্র'য়াইদা
অতৎ অথম্বা লৈতনা
নোংথাংগুম্ববী লক্ষ্মীবু
অরাবা মখল কয়ানা
চেম্বুক্লুম্ তুরেন্শিংনা
লাক্লবনিকো সোইদনা ॥

হোৎনবত্তবু কল্ল'দি
সম্পাত্তিবু লৈর'দি
সম্পত্তি লৈবা শোইদ'নি
গাকশেন্বা য়ায়া য়াবনি

অকিবা মখল্ লাকপনি
খুদোংথিগুম্বী সম্পংনা
মা মাংগ্রম্নু পুক চাকপনি
রাহন্দবা করি লৈনি ? ॥

সম্পত্তি কৌবী লাইরেম্বী
মাগী মুংশিবা মীশকম্নু
পংলবা মী অচুক্না
মীওইবগী পুক্রিং অসি
মীথোই-মীহেন্ শকথদ'নি
কনা'মত্তা লৈতবনি
মাদা রাগ পোকলুবনি
মহৌশা খোইত খোইবনি ॥
(সমাসোক্তি অলঙ্কার)

লল হাইবসি লুনা ফ'বনি
লিন্গী মতোক্তা খুৎথমগুম্বা
থাজনবগী য়েক্লবনি
রাবা মখল পিবনি মানা ॥

লিচৎ চুম্দবা মীতদা
অসি হাইনা থাগৎনিং'দা
পিশক্ পিক্লিবী সম্পৎনা
কাওথোক্লমজুনা মখোংনা
সম্পত্তিনা নোংথাংগুম্বনি
নিন্দাগী রাকম্ লৈরোইজ্রা ?
মীত্থু সাধুবু ওইর'দি
থাদোক্লম্বনি থিন্দনা ॥

পাম্দবা পোৎ ফংগুম্লিবা
লাওেভান্ থাদিংদা নওেভান্দা
অপাম্বা পোৎ কাইনবনা
রাগল্লকখিনি রাহন্থি ॥

পোকপানাইবাশিংগী পুন্সি
অসি থংলবা নহাক্না
নোংমা মাংগদবা দেহনা
সাধু ওইরবা মীশক্তি
তুবেনগী কাওশংগুম্বনি
অচুম্বা ধর্ম্ম হাৎকম্নু
মীবু রাহনবা তৌগম্নু
অচুম্বগী তুংনকম্নি ॥

তপস্যানা লল্ ওইরিবা !
তপস্যা লিচৎ থাগম্নু
লালগী থোরাং তৌরুগম্নু
পোক্তনবা শান্তি কাওম্নু ॥

দেহ মথুংদা লৈরিবা
মীৎনচিংবা ইন্দ্রি পুম্বা
থংওম ওমজ্রবা জয় জৌরা
য়েক্ল'নি কাওম্নু অকনবা

মখোইতবু অয় তৌর'দি মাইথি ফংগ্রবা মখোইনা
তাইবংপুম্বা অয় তৌন'গী রাখল্-খুৎলাই পিরনি নংদা ॥

মীখা থাবা ইকাইদবা ইন্দ্রি খুঙম চনংম্ দ্রবা
মী মাদি মখোদা যন্গুম্ মীরা মখা থাবনিকো ॥

মাবু মীনদি থাজবা মানদি মীবু থাজদবা
মাবু মীনদি নুংশিবা মানদি মীবু নুংশিদবা
মীবু মানদি থাদোক্পা মীনদি মাবু থাডম্দবা
মাদি বিষয় অসিগুম্বা মীওইংগী য়েক্'ান অকন্বা ॥

ওসিদা মাগী নুংঙাইবসি হয়েংদা নিংশিংবত ওইরি
অসুম্না মংগুম্বা বিষয়গী খোৱাং থাদোক্উ মখা থা'গী ॥

গঙ্গানা শেংদাক্পিরবা চিক্রবা চিংথক্ অসিদা
লাক্লনি মুক্তিনা নংদা থাদোক্লো খুৎতগী খুৎলাই
রারম্শিং'সি হাইরম্লগা স্বরারেন ভুমিন্ লৈগ্র'দা
অর্জুন কৌবা মপারিনা পাওখুমক্লে মরুলুক্লা ॥

মুনি অখোইবা ! খোৱাংসিগী থক্ থাগী খোরম্ থিজন্দনা
মুনিশিংগী ধর্ম্ম-লিচৎপু চৎনবা তাক্পিনিংলি নংনা
থক্ খা খংদনা হাইবা রাদি শগোশেন্গুরুগী রামকৃষ্ণ
নীতি চৎতবগী খোৱাংগুম্ কেম্দনা হেমক্ মমাংগনি ॥

তাক্পিরিসি ফদনস্নু লাংলবা থরানমিচাক্লা
নুংথিল্'তিয়াদা থোক্তগুম্ হাইফম্ চাদেদো ঐহাক্তি ॥

ঐগাক্তি ক্ষেত্রি মচানি পাণ্ডুনিংথৌনা পোক্পনি
ইমিংনা কুবের গুম্না কৌনরি ধনঞ্জয় হাইনা

পৃথা'মাগী মপারিনি
ইয়াম্বা য়াথং ইন্দুনা
সাগৈনা তাম্থোক্লবা
মকমসিদা লৈরিবনি ॥

ব্যাস য়াথং থাদোক্তুনা
নিংজরিবা লাইদি ঐনা
তপস্যাসি ভৌজরি'নি
স্বরারেন্ কৌবা লাইহুনি ॥

লৌনম্ চৌবড় শান্নৈগ্ৰদা
মশা মরৈবাক্ মতালোই
মাইথি কংলে ইয়াম্বনা
মীওইবগী বুদ্ধি অসি
'য়াম্বা যুধিষ্ঠির নিংথৌনা
মনাও মরি পোম্থাখরে
মরৈবাক্ লৌহৌরে মীনা
মতুংইল্লি থোকদ'গী ॥

লৈত্রিঙৈ অসিদা ঐগাক্কা
দ্রৌপদী য়াওনা ইয়াম্বনা
ইচিন্-ইনাওশিংগা লোইননা
লেলহৌরিদো অহিংদা য়ানা ॥

রাজ সভা ময়াইহুদা
ইফী মুন্থুনা নম্‌থুনা
থমোইদা তাশোল্ ওইরবা
হয়া হয়া হাইরকপদা
ময়াই কারবা য়েক্ল'না
ইকাইব পির'মক্তদা
রাহৈ রাভানা অয়াকপা
তায়ক্লবা ঐথোইনিদা ॥

গুরুজন্ শিংগী মমা'দা
অশিবা কৌবা লাইহুনা
শোইদনা পুরনিগী ভাব্
পোৎকী বোইনা পিবগুম্না
দ্রৌপদী শয়াং চিঙৈগ্দা
ময়ুম্ মাইকৈদা মথোইবু
পোৎ লৈগদৌরিবা মীনা
পিগ্রবনি য়েক্লবদা ॥

লৈপাক্ মীয়াম্ মায়োক্তা
মনাওনা শয়াং চিংলিবী
সভা ফম্লিবা মীপুম্না
মমাংদা হৌবা উপালগী
ময়াম্বা য়াথং থাবদা
নিংথৌ মমোম্ দ্রৌপদীবু
তাগদৌরিবা ভুমিৎকী
মমি মতাঙম্ য়েংখিদো ॥

"মমিংতমক শাইরবা
নমিৎ কুপ্পা লৈতনা
নংগী করি ওইররোই"
মপী তরং তরংনা
নপুরোইবা অসিবু
য়েংজরুবা অঙুনা
অসি হাইনা গাইগুম্না
চেন্খিবনিদো মানা
(দ্রৌপদীনা) ॥

অচুম্বা গুণত পান্নবা
যুধিষ্ঠির নিংথৌ মাত
থৌনা থোক্কদ'দা 'খোইদা
য়েক্ক' হাৎপদি অরাই'নি
ঐখোইপুম্বগী ইন্নাম্বা
অরোইবা ওম্থিদু খাংখি।
'য়াম্বনা য়াথ' থাখিদ্রে
নিন্দা লৈতনা অরু'নি ॥

সমুদ্রগী লাইজ ঈশিংনা
মশা ফীরেপ কাইবা কাবনা
মপুকচেল চাওবগী পুক্কিংনা
লাংতক্কুরবস্তু লৈ লূনা ॥
(তুল্যযোগিতা অলঙ্কার)

ইপলগী মচা মখোইগা
ঐখোইদা য়েক্ক'-উপালগী
কিম্বদোরবা লৈরাইদা
ফংতবগা তিন্নরু'দা
হুংশিনরুবা অতুনা
মরু হুন্বা ওইখিবনি
ঈয়াই তাগুম্ খোংনেৎলু'দা
চংবা'তাবা হৌনশানি ॥

থিনা ঙাংনবা কিত্রবা
লিচৎ চুমদবগী মচৎ
'ফ—ফংত মশক খঙ্দ্রবা
বিধি-নোংদম্গুম্ খঙম্দে ॥

অর্জুন্ ঐগী খমোই'সিনা
খাণ্ডমদবা মহাকুসিনা
মুকপা ওম্দনা কল্লিবা
লৈরমত্রবদি শৌতুনা
মাইথি পিঙৈদা য়েক্ক'না
য়েক্ক'দা খুমুক্ হন্নবা
ইপাম্বোম্ অনি অসিদা
কাইথিয়ারবনি খুদক্তা ॥

য়েক্ল'না ম্যাইথি পিন্থনা'খোই   শাজি শওভাই চিন্নাক্ চাম্বিথি
ঐখোই মশেল ইকাইনম্বিনি   মীতোপ্ মা'দদি করি হাইথি ? ॥

মথৌনা কাংপনা   মরু লুক্থরবা
মপাঙ্গল্ল শোনবনা   মশা লেমজদ্রবা
ইকাই খুম্নদনা   পোকপা মীগী মপোক্
নাপীগী মপোক্লা   পা'খকনি হাইনিঙ্ঙ ॥

চিংগী লাওভম্ন্রব চিংদোংদা   উরুপ্নগা পুকচেন চাও'না
ইকাই খুম্নবা মহাকপু   নুংশিরোইদগে ? করম্না ॥

ইকাই খুম্ন'পন্ লাক্লিবা   অদুগী মথৈ নিপা'দু
লক্সীগী চংকম ওটরি'নি   মিংচেৎ লেংদনা লৈরি'নি
মহৈ য়াম্লিবা মপোক্লা   মীথাই মীহেল্ শিংথারক্লা
শিংথারিবা খুদোন্ বীনা   অমদা'মুক্ লামজিকনি ॥

মুংল্লপা চিংদি উমং রাম'না   কাওন্মি রাংলমু থওইদনা
রাংলিবা মীদি ইকাইখুম্ন'না   থওইদবা ঙমদেদো কনানা ॥

মাইকৈবু শিন্না চৎলবা   মীংচৎ মঙাল্লা মক্ত বা
থাজগী মকোক্ত মহাকপু   মীতুনা মকশন্ হল্লিবা
মী মগাক্লা মসাগৈবু   অরেম্বা মাক্তা চিংখৎলি
মা পোক্পনা পৃথিবীবু   বসুন্ধর'* মীং চুম্হল্লি ॥

মশাগী অশাওবা মৈবুন্ বু   অকংবদা বজ্র তাওক্লা
য়েক্লবদা তাহল্লিবা মী   খুদম্ ওইদবা সাক্লানা লৈবদী ॥

* "বসুন্ধরা" হাইবদি লনচেনবী হাইবনি।

সমুদ্রগী [illegible] [illegible]বা নুংগাই য়াইফস্নু লিংজদে
তুরেন্‌গী কাওলিংঙম্বা ইরল্ ইথুমস্ত ক্রংনিংদে
শিব-নাইবা মীওইবগী মপোক্-হৌজ ত্যাবদগী
মীপাইদুনা পুক্নিংলগী খুবম্স্ত পামদে অরান্'গী ॥

য়েক্লবগী ক্লৌনম্ লিচৎনা মীংচৎতা চেলহন্‌খিবা লৈরিক্‌
মতাঙ্গোইগী মীৎকী পীতনা চাম্‌থোক্‌পতা য়পাম্নি ঐনা ॥

সাধুনস্নু নোকসনু পুক্নিং ফৎতেস্নু নিংসনু
পাওতাকফম্ চারম্‌দবনা ইকাই' নংবিস্তাই মুনিস্নু
য়েক্লবা য়াইবী লৌদ্রিংঙ র'জলক্ষ্মী ফংজদ্রিংঙ
অরান্‌ব খুবম্ মহাক্তি য়েক্ল'নি খল্লি ঐহাক্তি ॥

য়েক্ল'না য়াংহন্‌খিবা মীংচৎ খুৎলাইনা খিজল্লিবা মীশক্
পোক্ল'গা পাংখক্লি হাইনিঙ্ঙি নৎত্রগা চংশিনি খল্লিঙ্ঙি ॥

মী মাগী খাওরুম্দবা-মৈরি য়েক্ল'চারম্দনা মুৎহন্‌বা
মীহু নিপা হাইনি করম্বা অমুক্তং হাইবিয়্ মুনিনা
মমিংত ওাইরবা নিপাহু নিপা কৌরবা অরেম্বনি
মগুন্‌দা মীচং চংবা মীনা থাগৎলিবা নিপা নিপানি ॥

(লাটানুপ্রাস অলঙ্কার

মীয়াম্ ভিন্‌বদা রারি মতাংদা
ইকাই খুম্না পন্‌বা মমিংনা
অমাগী মরাই মক্‌হন্‌ওক্লিবা
মীমা নিপাদ নিপানি মুখি ।॥

লাইজ ঈখৌলাংবা মীনা
লালফমদা রাশক কাউদনা
য়েক্ল'য়াইবী লৌনি'লিবা
নিংশিংদনা অতৈ'মবু
লাইজতবু নিংশংগুম্না
হন্নিংলিখা খুমুক্ চানা
যুধিষ্ঠির কৌবা ইয়াম্বা
নিংশক্তিও অর্জ্জুন্ ঐগুবু ॥

মপু খুদোং থিরিংদো
মাগী মক্ত্ বা সাগৈদা
ময়াথং হিক্তোক্পা মীদো
মাহিং পকুম্বনি থাদা ॥

ব্রহ্মচারী চৎল' ভুংবা
য়ুম্ পাল্লম্গা মতুংদা
অসিগুম্বা ধর্ম্ম পথাপ্
চৎকনি ঐনা করম্না
য়ুম্ পান্বা লম্বা চৎকনি
বন্ চৎলগা লম্বোইগনি
থুগাইহন্না লম্বোই লিচৎ
মথং মনাও কাইকদেনা ॥

য়েক্লব হাৎপগী পোৎলুম্
ইমাস্থ থাপ্পা থনাম্ল
ইকোক থক্তা থম্নবনি
ইয়াম্'স্থ মুনিগুম্বনি ॥

ইকাই খুম্নরিবা মীনা
মশাগী ধর্ম্ম লিচৎতু
মীশিংনা মাগী য়েক্লবা
কাল্লদা মখো'কম্ লেংদ'দো
ক্ষত্রি সাংগগী মচানা
থাদোক্লদে কৈদৌনোংস্থ
পিরবকাওদা মাইথিবা
ক্ষত্রি ধর্ম্ম লিচৎনিদো ॥

মালংবনা হুমদেক্লবা
মচেৎ মচেৎ ওইনা চিংদা
মীংচৎথিবা-তাশোক অসি
মথাক লৈথোবা!লৈতনা ॥
নোং-মতৌগুম্ নোংমদোন্দা
ভাহৌবা অম্না ঐহাক্না
স্বরাক্লেন মাগীংখৌজাম্না
শৎতোকপা অম্না ঐহাক্না

মরাইহ থাঁদা অর্জুনগী মুনি ভুইরম্বা থরারেন্
মশাগী মূর্তি কোন্দক্লে মগাবু চেৎনা কোম্লক্লে
মপুক্লিং খংহুনা মানা মানা পাম্বা মঙ্গলচুগী
"মহাদেব নিংউ" হাইনা ময়াথং থাগ্রে মচাদা ॥

পেম্মবদা মহাদেবনা লাইশিংগা লোইননা ঐগাক্লা
চপাঙ্গলচু হাপ্পিরবদা লৈবনা মরোল ডুছুমসিদা
কংগনি মাংহনবা ভুমদনা য়েরুবদগী লক্ষ্মী নংনা
রা হাইরম্মগা ডসি হাইনা মাংখরে খংারেন্ চু ওম্না ॥

তরুকশুবা পন্দুপ লোইরে।

তরেৎশুবা পন্দুপ

থরারেন মাংগ্র ভুংদা মকালাম্লবা মাইদা
অর্জুন কৌবা নিপানা মাগী য়াথং কাইদনা
ডম্না অনা য়েংদনা লাইনিং পথাপ থাদনা
শিব পেম্মবগী তপ্ তৌখৎখবে খুদক্তা ॥

সুমিৎ মহিয়োক্লহুনা লেপ্খিবা খোংলাম্তনা
মসু মপাল মকুপ্রবা লাওংম্ কীবান খেৎনিংবা
অর্জুন্ কৌবা মহাক্লা চাবা থক্পা থাখিবা
সুমিৎ শিংখোং কয়ানা হৌখরে খংগোদনা ॥

পাণ্ডু নিংথৌ অথাম্রি অর্জুন কৌবা নিপাদো
চারক্ থরুক্কুখনা চোকথ কাউদা হকচাংনা

চিংনিংথৌ হিমালয়গুম্ লাইনিংবদা লোংখিরে
গুণ চেনবগী তপথবা থংবা ওমদে তৌওবা ॥

অর্জ্জুন্ মাগী মপু ক্লিংদা কেল্লক্লিবা মনাক্তুদা
মুল্লবা উহৈ রাহৈদা ইংনা লুরবা লাইজদা
চংখিরে করিগুম্বদা মীৎনা কাওব য়েংখিরেদা
পুণ্য চেল্লবা মীশিংদা তপ্তুমক্ অমৃতনিদা ॥

অকনবা তপ্ তৌবগী মহৈ খিল্লি হাইবগী
চঙরুবা পোক্খিরে খোনা হনবা লৈখিরে
'তন্ বস্তু চংহনখিরে লাম্বস্তু নিংশিংখিরে
রজ তম গুণ'ছুনা সত্বগুণ মাংহন্খিরে ॥

অর্জ্জুন্ মহাকী হকচাংনা চৈদা নপ্রবস্তু তপ্না
জগৎ জয় তৌগদবনা ওস্ত্র থংলবশিংমক্না
মীপাই নিঙাই মশক ওইরে থুগৎ নিঙাই মঙং লোইরে
মপুক্চেল চাওবা মীশিংগী তৌওমদবা কাম লৈনি ॥

তপস্যা তৌরিবা অর্জ্জুন্ নোংমাই চবূকী মৈদগী
হেজৎ-থোইগৎনা ওালথরে সমুদ্রগী তপ্থবা গুণ
মানা মাইথিবা পিথরে অয়েংবশিংগী মীৎমাংদা
লোইবী চিংদগী হেজংনা লৈথরেদো চিংনা নেম্বা
(অতিশয়োক্তিঅলঙ্কার) ॥

মহ্ন সোন্ থৈদা চিন্বান্ লেংলকা
চৎথোরক্পদা মাগী মঙাক্

মাইকৈ মরিদা মাগী মাইথোংনা
লুনা নিংথিদা সুমিৎ মকোইশুম্ ॥

চুম্নিং থক্তা লিরি তাবা　　লেংবান্ থক্তা লিরুং য়ান্বা
অর্জুন মাদা নিংথিজবা　　চিংশুম্মিদা চুমথাং থনবা ॥

চৈদা নপ্পবা অর্জুন্না　　ব্রতস্নানচুগী পুক্নিংনা
গঙ্গা তানা চৎলকপদা　　খোংগী খোংথাং খুদিংমক্তা
হিমালয় চিংনা লৈন্নুংদা　　থংহৌদনা চংশুম্মিদা
মনুং মচিনা লুপ্পিদো　　মপান মওংনা লূমদেদো ॥

তপ তৌরিবা অর্জুন মাগী　　কোক্তা কাওরিবা মত্তালনা
লৈথক-লৈখা শিনথিবনা　　লাই-মুনিগী লম্বী থিংব্রে ॥

নিম্নু-গী অহিং ফাওবদা　　অর্জুন মাগী মত্তান্নুনা
মঙ্গা মপৈ মাংথিবনা　　কোয়্নোনোংমদোল অত্তিয়া
মপুং কায়বা থাজগী　　নিংথিজবনা মত্তালগী
থাদবা মওং শুইথরে　　লেংদবা মতৌ তৌথরে ॥

লৈচিন্ নোংকাই পক্প্রদসু　　অর্জুন মাগী মত্তান্নুনা
মশা নমহৎপনা সুমিৎ　　ইকাইখুম্না তানথিদরে ॥

জটাগী ইচাং তাংলবা　　মত্তাম্না নিংথিজরবা
লিমি হাপ্পিবা লিরুংদা　　অর্জুন্ মহাকপু য়েংবদা
সিদ্ধ পুরুষ কাংবুনা　　হিংচা কোজুং নৈরংঙিংবা
লাইথক্ ময়াই মীৎ য়াওদবা　　মহাদেবশুম্ থম্থরে ॥

(উৎপ্রেক্ষা অলংকার)

তপস্যা তৌরিব'সিবু
কোরৌহনবা নুমিৎভুরা ?
মাগী মওং মতৌ'সিনা
অর্জ্জুন্ মাবু মতৌসুম্না
স্বরায়েন কৌবা' লাই'হুরা ?
মৈচাক ফরবা মৈ'হুরা ?
অচম্বা মীদি ওইররোই
খনখরে তপস্বিশিংনা ॥

পোইরৈ তাম্না চৎলবা
উমং-রাম'শিংহুবু
মশমতুগী লাইজম্নু
'হুবু তপ স্বমদি
অর্জ্জুন্ মাগী মহান্দো
চাক্থেক্পম্নু তৌদেদো
কংহনবম্নু তৌদেদো
খাংভমদবা ওইব্রেদো ॥

অসি 'তুংদা ঋষিশিংনা
গুণগী মপৈশিং অম্নুনা
নীতি পথাপ পারেংম্না
মহাদেব লাইদা তম্না
হাকপিনিংাই লৈত্রত্তুনা
নোংলুকপদা চংবগুম্না
'ফ-ফত্ত খং'দা চংগুম্না
চংখরেদো পুক্সিং লুপ্না ॥

নুমিৎ মঙাল নমহৎলবা
মহাদেববু উবদা
মুনি ঋষি তাপুস্বা
ভমখিদরে মতমদো
মগাম্না মাইকৈ শিল্লিবা
ইভপ ভুপাখিবনা মীত্তা
মপুং কানা য়েংজবা
খংখিদরে মীশক্তো ॥

উরিবত্তুগী মওংদো
চন্দননা থোৎ-থোৎ লাওররা
শন্দম্বা মাগী মরাম্দা
শোক্ক-শয়'গী নুংঙাই'হু
স্বর্গ খেৎপা হিমালয়গী
অহ্নবু মাগী মগাম্না
য়েং'দা অক্তকপা প্রওংনি
দূর্গাগী থবাক্ মবা
খুৎকী খুৎকানো খম্বদা
তিংলোক্না পাল্লিদো মানা ॥
তোয়েন তোম্বা লৈরিবা
মরোল অহুম লানবনা

সমুদ্র 'ত্তিয়া কোম্না মাইকৈ তরা য়াওশন্না
তাইবংপাল শিনবা থুংনা লৈগুম্মি থম্মি অয়ে'না ॥

খুকউ 'নিগী ময়াইদা মশানা চিংগুম্বা লিম্না
ইকোই কোইনা য়েৎতুনা লৈরিবা মওংতু য়েংদা
কোরৌহন্‌বা মথাল্‌গী ওম্‌খৈ ওইনকম্‌ লোইবিনা
ইকোই কোইশন্না লৈরিগা তাইবংপালবগুম্‌ উম্রিদে ॥

উনগী মপৈগুম্‌ ভোরবা লুগন্ন থা'গী মওংগুম্বা
অনন্ত কৌবা লিল তুবু পাক্লা মথাল চৎলবা
মুরিনম্নবা মচুনা মখোরিগী মথালতুনা
শংজন্‌ হন্না লৈরিবা শিব মূর্ত্তিনি অচক্পা ॥

(তদ্‌গুণ অলঙ্কার)

শিবদর্শন ফংলবা মুনিঋষি অপুম্বা
মীৎকী ঈঙ্গিৎ ফংতুনা মাঙয়োক্লনা লাক্লুনা
পাণ্ডুমচা অর্জুননা মথাক্কী তপস্যানা
তাইবংপাল্‌ রাহন্‌বা রা হঙ্গংগ্রে মরুন্নুরু ॥

তাইবংপালবগী মপু ও ! বৃত্রাসুর হিংচাগুম্বা
মওংনা অকি' পোকহন্‌বা মশক্‌ মামিং খংহন্দবা
কনাগুম্বা নিপা অমা কোরৌহনবগী মথালবু
মাইপাক্পি পিতুনা থিনা তপস্যা তৌররি কম্ন ॥

তপ্‌ তৌরিবা নিপাসে কোক্তা জটাদি পুরগা
উকু কীজোম্‌দি শেংলগা শবেং মউন্দি কম্নগা

লিরুং তেন্দো: য়ানবনা খুৎতা থা'শাংবু পাইবনা
মুনি লিচৎ কাইরবসু মঙাল লৈতবা লৈতেদো ॥

মহাক্না খোংথাং খুদিংদা পৃথি লেংলি পুৎম্নদগুম্
ইন্দ্রশিংবু লাক্‌শল্লক্না মুমিৎ-থা থরানমিচাক্না
মমৃশল্লকপগা লোইননা মুংশিংকা খোংচৎ লেপ্পনা
কোয়ৌ নোংমদোন অভিয়া চপ্ লেপ্পা কাওরি থম্মোইদা ॥

নিপাসে মাগী মঙাম্না লাই-হিংচাবগা কোম্নলা
তাইবংপান তাক্‌হনগদৌরি মনুং মচি চাম্‌খোক্তৌরি
তপস্যানা য়াম্না কন্‌বা পাংখোকহনবা ওম্মোইদবা
করম্বা থবক্ মালেম্‌দা লৈগদগে মকম্ কৈদা ॥
(অর্থান্তরাস্তাস অলঙ্কার)

তাইবংপালববু মহাক্না মতম্ খেন্নবা থাইদনা
ওমগে হাইনবু নিংবরা ? নৎত্রগা মাংহল্লিংবরা ?
নৎত্রগা অরাম্বখুবম্ কংগে হাইনবু থন্‌বরা ?
মাগী মঙালসি ঐখোইদি থাংবা ওম্‌দরে লৈবদি ॥

থওইদ্রিবা করিগীদি 'বুৎতেঙা তাক্‌পিয়ু মরম্‌দি
ইবুৎতেঙানা থঙেঙাইদবা পোৎ অমত্তা করিগুম্বা
তাইবংপান'সিদা লৈরোইনে ঐখোইপুম্বা ঙাক্‌পিয়ুনে
'বুতেঙানা ঙাকপিরিবৈদা 'খোইগী মাইথিকম্ থোকন্দা ॥

য়াহৈশিংসি মুনিশিংনা হাইরম্নগা মতৌম্মা
লৈঙদা তুমিন্ তুমিন্না মহাদেব কৌবা লাইনা

ক্ষীরেপ কাইবা সমুদ্রগী ঈরাওখোলগুম্না ঈশিংগী
মাহকৈ নিলহনবা রাহৈনা হাইগ্রে মুনিশিংদা তম্না ॥

জগৎপু শেম্ শাবিরিবা য়োকৃপিরিবা মাংহল্লিবা
ঈশ্বরত্তুগী অংশনা সায়োল্লত্তুনা মীওইনা
পৃথিবীদা খোংদারবা বদরিকাদা লৈরবা
নর কৌবা নিপাত্তুনি শল্লুনুকো মাবু মীনি ॥

স্বরায়েন কৌবা লাইমকী পাঙ্গল লাম্মী নম্হৎলিবা
রাহল্লিবা তাইবংপালবু শমনিংত্তুনা য়েক্লববু
নর কৌবা নিপা মানা ঐগী পেন্নবা হাইত্তুনা
অকনবা তপ্ তৌবনিংো অমা ওইনা নিংলুম্নুকো ॥

নর-নারায়ণ অনিনা ব্রহ্মা কৌবা লৈশেম্বনা
হাইজরবা মতুংইন্না হিংগা য়াইতম্বা গৎতুনা
প্রজাবু গাকে হাইত্তুনা পৃথিবীদা কুম্লকুনা
মীগী মপোক্কা পোক্ল'নি তাইবং সাজং চৎলবনি।

মূক কৌবা হিংচাবনা তৌরিবা থৌওং পুম্বসি
লাইগী মথৌনি থন্দুনা অর্জ্জুন হাৎকে হাইত্তুনা
মহাকী আশ্রম মাইকৈদা সাফু কম্না ফুজল্লক্লি
নখোই ঐগা লোইনত্তুনা চৎলসি আশ্রমদা তম্না ॥

পাপকী লিচৎ চৎলিবা মহাক অসিনা হিংচাবা
অচিকপা মকম্ ফাওদম্নু অর্জ্জুন মাবু ইকোংখোংনা
য়াইথিহনবা ওমদত্তুনা য়াপনবা ওকী শক্লওংনা
মশাবু চিংনহন্দনা খোরাংলি ওম্গে হাইত্তুনা ॥

কিরাত নিংথৌগী শক্তু লৌরে পাইরগা ঐহাক্না
হাংতোক্লবা য়েক্লবদা থৌরবা তেল খাক্তুনা
পাণ্ডুমগা অর্জুননসিনা ঐনা হাংপনি হাইত্তুনা
ওকপু হাংপগী মরম্দা খংনরগদৌরি ঐগা ॥

তপ্না চৈদা নপ্প বস্থ মত্তং কনা কৌরবস্থ
জালকমদা অকিং কংনা শাওদোক্লিবা মহাক্না
মশাগী চৌনশা ওইবা চাংদম্ নিঙ্ঙাই লৈশ্রবা
মপান্থোম্ পাঙ্গল অতুবু নখোই নমিৎ থিংনা য়েংউ ॥

মুনিশিংদা খতৌম্লুম্না পাওতাক কয়া পিরম্লগা
মহাদেব কৌবা লাইনু থবাক্তা চন্দন তৈখরে
হুমাং মরিক মরিক কাখ্রে মুক্তাগী পরেং শিখরে
লৈবু শাৎলবা উরিনা শম্না'বু পুন্থরে চেৎনা ॥

শমদোম্না রাই রাই তাখরে রাহোং মচু নাদা থেৎখ্রে
মীৎম্লানা ভাংণ্ডা লাওখরে মাইথোংদা মঙাল ফাওখরে
তেঙ্গা থো'লবা লিরুংবু চেৎনা পাইখরে খুত্নমু
কিরাত নিংথৌগী শকও 'হু ওইখরেদো মতম্'হু ॥

কিরাত নিংথৌগী শকও'হু মহাদেবনা লৌখি'হু
উরবদা এনাইশিংনা মানা চাম্নবা হাইত্তুনা
কিরাতকী শক্তম্ লৌত্তুনা থাং-টা-লিরুং-তেন পাইত্তুনা
অচৌখা কিরাত লাম্নী'হু শেম্ শাখরেদো মতম্'হু ॥

অসিগী মতুং তারদা শিবগী য়াথং থারদা
লাম্নী পুম্বা খিন্নবা চিংথকী লমদম্ ওমুক্তুনা

চৎকদবা মানা মানা
শাদানবা শাজমন্থনা
বনগী ভমখৈ খাইদোক্তুনা
চৎখোক্লক্লে মাইকৈ শিন্না ॥

মাইকৈ শিলক্তা লাম্মীনা
শজী শঙ্গাই খোয়রকপগী
নিল্লক খোংলপ'কী মখোল্লা
অত্তকপনি লোইবী চিংনা
মীপাই থবাই পোল্লন্থুংনা
উচেক ল্লায়া পাইখোক্লক্লী
লোকনুং উমুং থনখিবনা
লাও খোংখরে কিবগুম্না ॥

উচেক ল্লায়াগী য়েংথিনবা
ক্বাক-মকু কৈ-নোংশা উম্নদা
মহৈ-মহৈ শাওখিদরে
মাল্লবদি মশেন কিবা
শজী শঙ্গাইগী তাথিনবা
চৎকদবা লম্বী ময়াইদা
লোইনন্থুনা চৎমিল্লখরে
শাদোক্লে হৌনশা য়েক্লদা ॥

উরি ল্লারিগী মরক্তা
চামর কৌবা শাশিংনা
লাম্মীশিংদগী শিবগী
মশা ত্তপথবা থাখিল্লে
মমৈ পন খিবা মত্তমদা
মমৈবু নুংশিগন খিনা
কিন্থুনসু মপুক্কি গী
তকিং তকিং লাওখিদরে ॥

ময়াই মনল্লা শামুগী
শিবগী লাম্মী মখোল্লা
ল্লা-ল্লা চল্লবা হকাল্লা
লাম্মীবু কিল্ল ফাওবদা
তুখোং চুরবা মশোংগী
তুম্বা ল্লাকাইবা পিবনা
শাশিংগী নিংথৌ নোংশানা
চিংনদগুল্লা য়েংখিদা ॥

শাম্মী লাল্লীগী মখোল্লা
তাওখৎলক্তুনা থল্লবা
লাইল্ল ঈশিং তুল্লেনশিংগী
মচুমন্থুনা ল্লাংত্থ্রাবদো
মপুক-ওল্লবা ওাহৌনা
মপাল্লা লৈখোম চেল্লবা
শানা থুদেকপা চন্দনগী
ওইখরেদো মফম অদো ॥

লৈমা-সিজগী কাংবুনা মাচেৎ মচেৎ শেগাইরবা
আগর চরোৎমরাদা হন্দুরবা মালংবনা
তেম্‌রা মচু মাল্লবা সুংশম চেল্ল চেল্লহুনা
লাম্মাগী রাবা কোকহন্না শিংখরেদো ভপ্পা ভপ্পা ॥

মতৌ মওং অস্মন্না শিবলাম্মী কাংলুপ্পা
চিংগী চিংখোং খুদিংদা উমং-রামং কয়াদা
মকোল শাব জীবশিং পানখাই পানখাইরহুনা
স্বরারেনগী মচাগী য়োশ্রে লমদম্ আশ্রমগী ॥

অহুগী তুংদা মচু। তৌরকপা নোংশুম্বা ফুইনা
অর্জ্জুন মায়োক্তা তম্‌শনবা রাকোম্না লৈমাই খেৎলিবা
লৈপাকপু ক্রোংক্রোং কাইহনবা, ওক্পী শক্তম্বু লৌরিবা
মূক কৌবা হিংচাবহু উপ্রেদো মহাদেবহু ॥

ফজপুম্বগী তুংনকম মহাদেব কৌবা লাইহু
লাইগী তুরেনগী মপান্দা লাম্মীপুম্বা থনম্নগা
লুচিং লুচিংবা শিরাঙনা লোইন খমইন ওইরহুনা
উরি-রারিগী মখাদা ওক্পী খোঙ্গুল লিখরেদা ॥

তরেৎশুবা পন্দুপ লোইহ্রে।

নিপাল শুবা পন্দুপ

মতুংদা স্বরারেন মচা অর্জ্জুন কৌবা নিপা অমা
অঙক ফংলবা ময়ানা অকিবা পোক্লবা মচাইনা
মশা মউ চাওখিবনা চিং হোৎনগাইবা শমগদবা
চেনশক্লিবা ওক্তুবু উখরেদো খিম্মনবু ॥

চপ চপ য়ুংখৎপা মতুনা
অতৈনা মথৌ ওইদবা
মরমতুনা অর্জুন মানা
য়াখল ওয়েৎতরা থোক্লা

চেনশল্লকপা পোইরৈ ভায়া
ওক্লি অর্জুনদবু তথা
মপুক্লিংদা চিংনতুনা
খনখরেদো হন্না হন্না ॥

উরু-য়ারুবু য়াতোম্না
চিংমাই থুগাইনা মরেংনা
চেনশল্লক্লিবা ওক অসি
শিংনবগী মভাগুম্না

প্রোক প্রোক্লা ফুক্কেক্ ফুক্কেরা
সম্বুদগী শাইতোম ওইনা
শা-লালগী মওং মতৌদা
ঐগী মায়োক্কা ওয়ক্লি ॥

আশ্রম লমদম অসিদা
ভাংথি য়েংথি' থাতুনা
শক্তি শঙভাইনা চিং'দা
মানা ঐবু চানিং'সি

তপস্যাগী মঙ্গলনা
শা-কৈনচিংবশিংনা
মচিঙ্গাক ওইবা থারি
মায়া ওক্লা? মাংহনবা ॥

নংত্রেগা মচাক অসি
ঐগা য়েংখিনবা মা
মাবু থাদে তৌজিকথাও
শক্তীবু থারমতুনা

নহানমুক্তী লাংঙোম্দা
খংগুম্না অশাওবনা
মরমদি নাক্কা লৈবা
তমশল্লক্লি ঐতবু ॥

মসি অচম্বা শা নংত্তে
কয়িনা ইপুক্লিংসিনা
মী মঙোম্দা পুক্লিংতুগী
চান্নবনি য়েক্লবনি

ঐতবু হাংনিংবা শানি
মাদা য়েক্লগুম্ লাংতক্লে
পান্-বা মকৃশন্বা অনিনা
খংহল্লি হাইনন্নিবনি ॥

ঐহাক্তি লাইনিংবা মীনি
কনাদগী কিক্কম্ন লৈ'নি

ইন্নাল লৈত্রবা ঐহাক্তি
থএসি হাইনা খনব'সিনা

ঐগী মঙ্গল ওইনি নিংদে
নো নাং চাওবা মী ফত্তগী
মীগী চাওখৎপা উবদা
ভৌতমদবা করি লৈ'নি ॥

মসি হিংচা য়াইতম্বরা?
'সিয়োনা পাঙ্গল কম্লদে
ঐবু তম্নকপা ওক'সিদি
চিংগী নিংথৌ হিমালয়না
বনমুংদা লৈবা শা-ডাদি
হৌরকপা নোংগুম মুরবা
মগাকী খোংথাং খুদিংদা
মশা নিক নিক লাওগুম্বদা ॥

শাস্তিদা লৈবা ঐহাকপু
হাৎকেবু হাইনা নিংঙুনা
শামী-লাম্মীগী মনিম্না
শঙ্গী শঙডাই উচেক্-রায়া
লৌনম তৌদুনা মহাক্না
লমদমসিবু লৌনিংঙুনা
বনগী মকম অপুম্বদা
মীপাই থবাইবা পোকহল্লি ॥

দুর্য্যোধনগী মনা ফংবা
য়াইবী দ্রৌবদি অর্জ্জুনগী
অসি হাইনবু খন্দুনা
লৌরদুনা ওকী শকপু
মী অমনা কনাগুম্বা
অপাম্বনি দুর্য্যোধনগী
শঙ্গী-শঙডাই লাংতকহন্না
ওইরিদরা? চংলকপবু ॥

খাণ্ডবনবু মৈথাইদা
অশ্বসেন কৌবা মহাক্না
শিংগে হাইনবু লাকপরা?
য়েংথিনবা কনাগুম্বা
তক্ষক লিসগী মপারি
মশাগৈ থাখি'গী লমন্
ভীমসেন ইয়াম্বদুগী
লাকপা ওইবরা? শাওদুনা ॥

মায়াগী ওকস্নু ওইসনু
খল্লুবা কাম্নদে হেম্লা
চাৎলরা থোরাংলি ঐবু
য়েক্নজিংখং লৈতদনা
অশেংবা ওকস্নু ওইসনু
নাপল চাওবা মহাক'সিনা
ঐনা হাৎত'য়াদে মাব্নু
তোংঙ'নি হাইনৈ, পুক্তিন্না ॥

ঐঙোন্দা ব্যাস মুনিনা
অর্জ্জুন্ । অচেং' য়েংলকপদা
নাপন চাওবা মহাক অসি
তপস্যা তৌবা কাইদনা
পাওমেন্নকই হন্না হন্না
লখী পিদনা তপ্ তৌকো।"
য়াইবী লৌবা নংত্তনদি
ওমখনি নিংদে ঐহাক্না ॥

মতৌম্মা অর্জ্জুন্না
নিপাগী খুদম্ লিরুং
য়েক্'য়াইবা লৌচখা
চংজগুম্না মন্ত্রিদা
রাখল কয়া খন্দুনা
পাইখৎখরে মখুৎতা
খুৎনা তেনদা মক্রবা
চংশনখরে খুদক্তা ॥

অচুম্বা লখী চৎলিবা
পাজল লল্ লৈরক্রবম্
লিরিবু খোংজি হাপ্লবা
অর্জ্জুন্না হেক চিংলকপদা
মরুপনা পুকচেল চুম্নবা
হাইজরবা য়াবিগুম্না
লিরুংনা তেঙ্গা খোংলবা
পাজল শোন্নম্ব কনখ্রেদা ॥

গাণ্ডীব কৌবা লিরুংদা
লিরি শিংৎলকপা মখোয়া
খোংগী খোংকম শেন্নকপনা
নেৎলিবা চিংমান অপুম্বা
তেনবু তেঙ্গা খোংলকপদা
লোক্লুং খোংলুং শোৎকাইখি'না
লুনৌ শোক্না তক্লকপনা
মশা হিংখিদ্রে। চিংনখ্রে ॥
(অতিশয়োক্তি অলঙ্কার.

তেনবু শিংঙ্গুনা লৈতৈদা
অর্জ্জুন্ শৌবা নিপাদুবু
ত্রিপুর হিংচা' হাৎলৈদা
মশাদুমক্তা হাইগুম্না
কিরবা য়েক্লনা য়েং'দা
মহাদেব কৌবা লাইনা
লিরুংগী লৈবা মকোইদা
য়েংখয়েদা চঙলনা ॥

মহাদেব 'মুগীরুংদা
খোংকম লেরকা হিমালয়
চিরি ওইবা বাঙ্গুরিবু
চিক্কি খোঙ্গী মচিন্নরী

তেরন খোংখরে চিরিদা
লৈনুংদা চংনা খাংখরে
চিংলকপদা চিংগুমদু
ক্রোং ক্রোংনা ক্ষৌখরে লৈনা ॥
(স্বভাবোক্তি অলঙ্কার)

য়েক্'য়াইবী লৌদৌরিবা
য়েক্' ওইরিবা ওক্ অদু
ইৎ খোল্লবা ময়েকদুনা
মখোংখোংনা লাকপ অদু

শিব-অর্জুনগী মরক্তা
প্রকৃতি প্রত্যয় মরক্তা
মশা মাংজগে লাকুমা
ওইখরেদো মতম অদু ॥ *

শিব অর্জুনগী মরাইদা
নোং লখী ভালহনবা তেম্না
শিব চিরুং পিনাকতগী
পাইখোরকপগুন বজ্ৰনা

য়েকরা ওক্না লৈপ্র'দা
শামু কিহনবা মখোম্না
খাক লাওরবা নোংলক্তগী
পাইখোকখরে সাকু কর্মা ॥

পাইখোক্লরিবা তেন্দুগী
চিলগী সাগৈ অপুম্বনু
পাইরবরা ? গরুড়নু
চাওনা খোক্লবা খোঙ্গাংনা

থংহৌদনা তেম্নাদগী
কাইগনবা থমোই নাকোংবু
চিংনহনবা 'সি-হাইনবু
খোকখরেদো মখোম্না ॥

*প্রকৃতি হায়বদি ধাতু শব্দ অনিহুবুনি, প্রত্যয় হায়বদি "তিপ" না চিংবা অমম্বুং "সি" নাচিংবাহুবুনি। "দেবানাং" হাইবসি খোকপদা দেব+আম্ অমিদা "দেব" শব্দনা প্রকৃতিনি, "আম্" অসিনা প্রত্যয়নি, প্রকৃতি-প্রত্যয় অনিসিগী মরক্তা দুই আগম তৌবদা "ঙ" অসি ইৎ খোল্লবগা মাংখিপ।

মহাদেবগী মীৎতগী মতোগুম পাইথোক্লকপগী
হেন্না য়াংনা পুক্কিংদগী কাঁপ্থোক্লক্লিবা তেন্দুগী
মণ্ডালগী মপৈ অচুনা মখেলাংবা নোংথাংগুম্মী
কোয়ৌ অতিয়া মথক্তা লঙ্গৌমা শেমগে খুদক্ত। ॥

লিরু মহাদেবগী পিনাক মহোল্দগী
কাপথোকখিবা তেল অচু মতম'মত্তদা উগ্রে
শিবনাক্তা লৈরিবা 'তিয়া খোংনেৎপা জীব
ওক্তা নাক্তা লৈরিবা 'তিয়া খোংনেৎপা জ ব ॥

তমাল পাম্বীগুম মুরবা মুংগীমতৌগুম কল্লবা
লাইগী য়েক্লবা ওক্তুদা তেন মহাক্লা হেক পানবদা
সাফুবু থিংগুমদবনা 'তিয়া খোংনেৎপা জীবনা
কিনা ওক্লা য়েংনা য়েংনা চংগে লৈগুংদা লিলগুম্মা ॥

মণ্ডং মতাংনা ফজবা য়োৎকী খুজিন মতাগুম্বা
শাওরক্লবা ষমনিংথৌগী মণ্ডংগুম্বা খুদোনবাগী
জীব অপুম্বা কিহন্না পাণ্ডু মচা 'অর্জুনগী তেন্না
শিব তেল থাব খুদক্তা পাইখৎখরে 'তিয়া থক্তা ॥

পাইরিবা তেল সাফু কয়া শজাইশেন্না পাইবগুম্মা
মচাম্মা শাংনা তাক্লম্মা বনপুম্বা ইঙ্গাল ভালহন্না
সম্মু পাইবগী চেক্লানা মখোলগুম্লিবা মখোয়া
মাইকৈ অপুম্বা শিন্থরে অতিয়াপুম্বা নিংথরে ॥

সাফু কমনখি'দগী গাণ্ডীব লিরুংদগী
কাপথোকখিবা খংহৌকে পাইথোকখিবা উংগৌদে
তেল্লিক্ তেনবগুমখরে নিং'দা পান্'ত নংতনা
নিংত্রিবৈদা থাদনা ওক্তা লেংখিগুম্বিদা !! ॥

লাইনোংদম্মা পিরবা লন মাবু কংদৌরবা
নিপামচা থৌদাংনা কংলকপা মতাগুম্মা
লাওম কীরান থেংহন্বা অর্জ্জুনগী তেল অথৌবা
শিবগী তেল থাগম্‌দা খিনদমা থাবা ওমখিদা ॥

খনজনবা নোম্বা রাংপনা লল থুম্বু রাহনবগুম্মা
পিথোক-লৌশিন লৈতবনা মনাই পুক্লিং রাহন্'গুম্মা
নীতি রাংপা-ময়াই কা'না ওম্লিংবা মী রাহন'গুম্মা
শিব-অর্জ্জুনগী তেনম্বুনা ওক্তু রাহনথে থাহুনা ॥

ওক্ তন্থু 'থুগী মতুংদা মতম কুইনগী য়াহিপ্তা
য়াতারমদাইগী মতম্‌দা মশা সাফু লৈরক্তনা
মবুদ্ধি মম্‌শল্লক্তুনা নুমিৎ লৈখা তারকুম্মা
পৃথিবী কোইশনগুম্ উনা খন্খরেদা মপুক্লিংনা ॥

লৈমাই থক্তা হাইথক্তুনা ঈথেংনা মশা তৈম্বনা
খুজিন-য়ানা লুং কাইহন্না মীংনা অর্জ্জুন শংত্রিক য়েংনা
থাংবা ওমদবা খোল্লাওনা নাকোং শেং-কাইনা লাওহুনা
ওক্তু য়াইবী মথরাইনা থাখয়েদো থাওম্‌দনা ॥

ওক্লা ভুগ্রদা অর্জ্জুন্না
থোক্লুরবা মশা থৌনা
চেনশল্লকখি ওকপু ভম্না
সুংশিওম মথৌ পাংথোক্লা

রাৎত্রবস্থ মক্লবা ভেম্না
ভেল অহুবু লৌনিংহুনা
ভৌকিমন খংবা মীশি'না
সুংশিদে পা থোকদ'ক্লা ॥

অর্জ্জুন্ মহাক্কী ভেল অদো
ওক্কা লৈফম্ ফংদহুনা
নিপা থৌদাং থোক্লবনা
মমাইবু লুরুক্লহুনা

ফৎত'দা পাংবা মতেংওম্
উবা ফংখিদরে মীনা
হুম্থখিবনা মগুণনা
লৈনৈ মশা ইকাইওম্না ॥

মশাগী মক্ল' মণ্ডালবু
লৌদবা য়াদে খন্দুনা
মক্কল হংলরে হাইওম্না
মীৎ প্লনিনা চেক্কেৎ চেৎনা

মীংচৎ মণ্ডালওম্ পুরিবা
লৌখৎতৌরিবা অর্জ্জুন্না
লৈরিবা ভেনহু মপুনা
কোন্নখরেদো হয়া হয়া ॥

মপাম্বোম কন্বা অর্জ্জুন্না
কামগী য়েক্লবা লাইহুগী
মমাংদা চপ লেপ্পরিবা
খংহৌদনা খুদকভুদা

মকমহুদা লৈরিবৈদা
য়াথং খংহনগে হাইহুনা
চিংমী'মবু লিক্লংপাইবা
উখরেদো মমিৎভুদা ॥

উরিবা চিংমী ভহুনা
মাগী জাতিগী চৌনশা
থেমজনবনা মাংওইনবা
রাহৈ রাতা কয়ামুক্লা

নিংথৌগী মচা অর্জ্জুনদা
খুরম্বা লিচৎ চৎলগা
পুক্লিং পেৎথনৌখহনবা
হাইরক্লেদো মতৌস্থম্না ॥

নহাক্কী শান্তি শাজৎনা
নকুলুকই ভাক্লি ঐদা

নংগী তপস্যা মথাম্না
নহাক্কী নশক নতৌনা
মক্তবা নশাগেজাংনি

নশা লাইরিক্ হৈ হাল্লিদা
লাইশিংগী নুংঙৌ মান্ বনা
ময়েক্লানা হাইরি ঐদা॥

নং’সি মুনি ওইদুনস্সু
নশা চিংলেম্বনা নংনা
মংম্ অসিদা নহাক্কা
তৌহনবগী মতাংম্না

নঙাম্না মাইকৈ শিলহল্লি
নিংথৌশিংবু জেয়া ৎল্লি
স্বরাজেন মাবু খথোবু
ভালোথোইরিব’সি নিংথিদা॥

নং তৌবাঙম্বা শক্তিনা
তপস্বি ওইহিক্কনস্সু
য়াওত্রবস্সু নংদা কনা
মক্তবা মঙাল অমবু

রাৎতনা তিম্নবা অসিনা
সম্পত্তিগী তুংনক্ম ওইরি
ইকোই কোইশিন’ঙম মন্ত্রিনা
উরিদা ফাওত্রিক ফাওনবু॥

লাল্ঙম ফীরান থেৎপদা
মুক্তি ফাওস্সু নঙেঙাক্লা
রজ-তম-গুণ-’নিবু
করম্বা অপাম্বনা

কনা ওক্কনি ? নংদা
লৈরক্লোইদো অথাপ্তা
জয় তৌঙম্নবা মীদা
চংলক্লোইদবা লৈ’ৎগে ?॥

নঙাম্না স্তুমিৎ মঙানবু
নিপা মচাগী থৌদাংনা
ওক-শা অসিদা থাম্বিবা
অদুক য়াম্না পৌনা-খোক্লা

ঈকাই হঙোইবা পিরিবা
থাগৎনিঙাই ওইবা নংনা
’খোইগী ইবুঙোগী ভ্রেলংসি
লৌফম থোক্কে মতৌম্না॥

মনুনা চিংবা নিংথৌনা*

মীওইবগী চৎকদবা

*মনুসংহিতা লেংবা স্বায়ম্ভুব মনুনাচিংবা নিংথৌ।

যুক্তি প্রমাণ চাবা লিকং
লগুণ চেনবা নংগুমনা
অচুম্বা লিচৎ মঙোন্দা

লাইনিং পথাপকী পাজম্মা
মুনি ঋষি ওইবাশিংনা
চুম্দ' লিচৎ চৎতনবা
অচুম্বা লিচৎতুতবু

ধর্ম্ম তানবা কাংলুপ্পু
মুংঙাই পাম্বা কাংবুবু
অরান খুরম্ লাম্ববু
লিচৎ 'চুম্বু করম্মা

চিংমী নিংথৌগী তেজ অসি
তপস্বি নংগী তেজওংবু
তপস্বি নংনা অতুনা
কাপখি'তু 'সিনি হাইতুনা

পুক্চেল চাওরবা নহাক্না
পুক্নিং চংদত নৎতনা
নহাক্কী তেম্মা থাতুনা
ইকাইখম থোকপা শরুকস্থ

ঐখোইগী ইবুঙো মাগী
পণ্ডিত ওইরনা ভজনা

চৎননবা তাক্লিম্মদো
লিচৎ চুম্মা চৎত্রবদি
কনা খোংদানি ? হাইয়ু নং ॥

পোকপা শিবা পন লাম্লবা
নাম্না ওইরিবৈদগীনা
পাওতাক চুম্মা তাক্লি হুন্না
চৎলিবনিদো তত্তুনা ॥

ধর্ম্ম হেক্তা ফংহনবা
সম্পত্তিবু লৈগনবা
অরান খুবম য়োৎহনবা
পাম্মোইদগে ? সাধুনা ॥

ইকাই খুম্ন নিঙ্ঙাই ওইবা
মওংপুম্বদা তমুঙ্গর
চিংনবা রাখল থাতুনা
খোংদারিনি লম্বী লাম্না ॥

মীতোপকী তেনবু লৌবদা
হাৎলবা ওক'সিবু মীনা
হাৎপনি তাইবগী নংনা
থোক্লিবনি য়াবিফমস্থ ॥

লিচৎ শাজৎশিং অম্বব
পুক্নিংনা য়াম্না পাম্বম্না

মুংঙাইনরিদো ভাহুনা কাগি ওইনা অতোপ্পনা
হাইরক্লস্ত্র লিচৎ মানা ইকাইহল্লি নাপন চাও'বু ॥

মশা থাগৎপা থারবা ঐখোইগী ইবুঙো মানা
মীগী মরান্‌বু ঙাং'ঙুম্না মশাগী গুণবু হাইগদ্রা ?
থবক থিরিবা কাংবুনা মগুণ'হুবু হাইনরসু
লিচৎ পনবু কাইহনবনা হাইজবা মাদি তোল্লিনা ॥

লাম্মী মপু 'বুঙো মানা অথৌবা তেনবু কাপ্পুনা
হাৎলমংত্র'দি ওৎসি তন্না মপাঙ্গল্লা ওক অসিনা
তৌরমগদ'হুদি নংদা য়া কাহুনা হাউংমদ্রেদা
হাইঙমদ্রবা মহাক অদো হৌজিক্তদি ওইখিদ্রেদ্রে ॥

স্বরারেনগী বজ্‌ঙুম্না চেকৃশিন্‌ খোইজিনবা মশানা
থাংবা ঙমদবা সাফুনা চেনশিল্লক্লিবা নং তম্না
য়াপল্লবা ওক অসিবু নৎতনা ইবুঙো মাবু
করম্বা মশক কনানা হাৎপা ঙমদগে ? করম্না ॥

চিংমীগী মপু মহাক্না নংগী য়াইবী মাংগদ'দা
য়াইবীবু কন্‌বা মতে'বু পাংথিবনা নপীজানি
নকুপ নপীজ্য ওইবগা য়েংথিনহুনা নহাক্না
নখোইঙুম্বতদা লৈবা মাংহন্‌ তৌবিমন্‌ থংবা ॥

লাঙম্‌ ফীরান্‌ থেৎনিংশিংগী মথক্লাই কনবা সম্পত্তি
ফঙমদবা সম্পাত্তিনি লনথুম্‌গী সম্পত্তি মাদি

অমনা লাইনা ফগুচন্মি — মমৈদা মাংবা নাইবনি
ঙাকপিবা মরুপ্ কংবদি — মমৈদা তোংবা ওইবনি ॥

সম্পত্তিসিদি লল্লথুম্নী — কাওশিংগুম্বনি তুরেনগী
পৃথিবী মহাক্সিফাওমু — য়েক্ক্না মুনখি নাইবনি
লোহবীগুম্না লেংদরবা — মখোংনা খোংনা লাক্লবা
মরুপ ওইরবা নিথোবু — তৌগনুকো থওইদবা ॥

তৌরিবা তপস্যা অসি — জয়গী আশাদা তৌবনি
অরান্বা খুংম্ পাম্বনা — মখুৎতা খুৎলাই পাইনদে
নিংথৌ মাগা ভিন্নহুনা — মরুপ কংলবা নহাক্না
তপস্যাদুগী মহৈদু — কংলগনি খাক্চৌদনা ॥

সগোল খোককম লমদমশিংমু — শামু পোককম মকমশিংমু
মণি-মুক্তাসু রাৎতনা — লৈরিবনি নিংথৌ মাগী
মাদা সনাগী তেন্সিনা — করি অমুক কান্নগনি
হুবু মীনা লাকচবদি — খাংবা ঙমদেদো মহাক্কি ॥

(উদাত্ত অলঙ্কার)

পুকচেল চাওবা মহাক্সে — উফুল মরিক অমসু
মা মানা নাপন্ তৌনা — লোগে তৌদা মশাওই
হাইজবগী মফমদা — য়াইবা থরাই ফাওবসু
পীথোকপদা পান্মুদে — কন্নি হাইনি ললবুদি ॥

মরম্ পুম্বসি খন্দুনা — পাইরিবা তেন্দু নহাক্না
পিথোক্লকু মা হরাওনা — রাম্ সুগ্রীব মতৌগুম্না

[illegible] খোংদন্না খোল্লবা মতিক মপা চাম্নবা
নখোইগী [illegible] মুংশিনবা ওইবনা কৈ থানবা ॥

ঐখোই [illegible] মশেং [illegible] লান্দানিংদৌ অঁৈরেবদা
তপস্বিনী [illegible] মখোন্দা করিস্নু থংদৈ মপুক্নো
ঐখোই [illegible] অসিদা বজ্রবু হেম্বা পাঁজলদা
অতোপ্পা [illegible] [illegible] লৈরিবনিদৌ রাংতবা ॥

তপস্বি [illegible] নকথদা পাইরিবা তেঁক্লা মপংতা
কাম্নাবা লৈরবা করি হাইজরে বুদ্ধেন্দা
খোইগী ইন্দ্রুবেক্তা [illegible] নংঙুবা তৌবা ওইদা
হাইজবা মরুপ [illegible] লৌরবঃ লৈপাক হুম্ ভুমি ॥

মরমসিন্না পন্ডিত ওইবা মতেংপাংবা-লল্ তাপ্লবা
চিংগী নিংখোল মপাক্তি হাইজরবা রাকমবু
অঙেকপা তাইনংদে হাইজররিবা মীগী
নিংব [illegible] মশাদা পান [illegible] থাদিদো ॥

মপাঙ্গল কল্লবা অমা মপু তাক্ননা লৌওশি
কম্না সুংশিনবা অমা মপু তাক্কনা লৌওশি
মরম অনিদি লৈতনা পাঙ্গল লৈংগী লল্ লৌনিংদি
লিলগী মখোক মথক্তুদা খুং থম্বগা পাংথোক্নদা ॥

তাইবং পানবা অসিদা তপস্বীগী মনুংদা
পত্ত রামদি নংতবা খুৎলাই হৈবা খিবদা
পাম্বোম পাংজল রাংতবা মীগী কনা কয়দা

মহৈ য়াম্লি খুৎলাইনা শোয়বগে ? কনানা ॥

ব্রাহ্মন ওইবনা নহাক্না পুক্নিং তুয়াং, তুয়াংদুনা
নিংথৌ মাগী ওইবা ওকপু ভেন্না খান্নবা হাৎপবু
ঐখোইগী ইবুঙো মাখা ভাকপিরনি মুংশিন্নুনা
মরাই কাবগী মরান দি মশা পংবনা খুম্‌গৎনৈ ॥ *

সাগৈ ফবদা পোকপগী শেৎলিবা কীক্কেৎ মঙুংগী
য়েংখিনবা তপস্যাগী লিচৎ নৎতবা চুৎনমু
লখী নৎতদা খোংদাবা বুদ্ধি লৈতবা মহুদা
লাঙোল অনিদা অমাবা লাকপনিকো খুদোংথিবা ॥

অচিকপা নকম পাম্বনা শ্রাদ্ধ শোয়িংবসু নৎতে
লাইনিংদা হৈনদবনা লাই ইয়ুথনিংবসু নৎতে
লখী পিদ্‌না চেন্দহন বিদা মুনি ওইবনা কয়দা
নংনা ওকী তেল খাবদি পুক্নিং তয়াং তশোই নবি ॥

নংদি অকবা মীশক্নি পুক্নিং তুয়াংবা খাদোকউ
পুক্নিং তয়াং তয়াংবনা তৌনদবা তৌইদুনা,
প্রলয় মতমগী তুংশিনা সমুদ্র লাংচকহন্নুবু
মশা তয়া মী কাওবুসু লাংতক্কবা পোকহনবনি ॥
(উপমানুপ্রাণিত ভাষান্তরন্যাস অলঙ্কার)

চিংমী থিংথৌ মহাক অসে খুৎসু খুৎলাইদা পণ্ডিতনি
চিংদা লৈবনি খদ্দুদা খওই থোকপা খাদোকউ

*অপংবগী মরাম শিংথানদে।

লৈপাক ঙাকপগীদমক্তা স্বগারেন্না হাইজত্তুনা
চিংথক অসিদা মহাকপু লৈহল্লিবনি থংউকো ॥

পুক্লং তয়াং হশোইত্তুনা ওক হাৎপা অসি মুনিনা
ঐনা খাংজিনি হাইত্তুনা হাইরক্লি লাম্মী মপুনা
ইবুঙ্গো মঙোন্দা 'খোইগী ভেলত্তু পিথোক্লুনা নংগী
খাকহৌদবা সম্পৎ লৌ'না ফগৌগনিকো নহাক্লা ॥

মাগা মরুপ ওইরবদি কান্নবা ফং'নি নংগীদি
নোঙ্কুকপস্থ খোকহৌগনি 'রাব কোঙ্গাইস্থ মুৎহৌনি
ফংহনবা মহৈ কয়াসি অফবগা তিন্নবাস
করম্বা মীশক কনানা পাম্মোইদবগে করম্না ? ॥

লিল য়াওবা ঈথক হৌরিবা সমুদ্রগী মঙ'গুম্না
কামজাও হল্লবা নিংথৌনা অথৌবা খুৎলাই পাইরিবা
লক্ষ্মীশিংগা লোইনত্তুনা মতমগী পম্না থিংত্তুনা
ভুঃ– লৈরিসে উ-মরুমদা য়েংউ নহাক্লা অমুক্তা ॥

পুক্লিং তপ্পবা থোইদোক্লা লাম্মী মপু মহাক'সিনা
স্বগারেন ফীরান ওমজ্জনা অনন্ত লিলগুম্বা চাও'না
লিরি থাংলবা লিরুংবু খুৎতা পাইরার খুত্তম চোৎনা
মাগী ফৌরোই ইন্দু নংনা ননিং থুংহনগনি মানা ॥

নিপালগুবা পন্দুপ লোইরে

মাপলঙ্ভবা পন্দুপ

চিংমী রাইহ লেপপ্র'ভুংদা
লোইবীচিংনা ভৌবগুম্মা
শাওরবস্থ মাইথিত্তনা
সাধুগী পুক্লিং মীভোম্মা
সমুদ্র ঈথক্কা ফু'দা
কামজাও হুনবা চিংমৈরাবা
তপথবা থাদে অর্জুন্না
খ'বা ওমদে মরুফংনা ॥

কোচি থাংলবা রাঙাংনা
মভাংচানা থুম্নিংহুনা
পাণ্ডুমপারি অর্জুন্না
রাহৈ য়াম্বা রাঙাংশিংনা
য়েক্লবা পুক্লিং খংহুনা
লৈরক্লিবা মত্তম ভাহনা
লাংভক্লবা লৈত'গুম্মা
পাওখুম্নক্লে অর্থস্বপা ॥

মচা থাইরবা ময়েক্লা
ভাবদা মুংঙাই পোকহনবী
তরু-তরুনা পালহনবী
পূন্য:চন্দ্র'গী মফমদা
মশাগী লৈতেং ওইরবী
য়েক্লব ফাও'গী থম্মোইস্থ
অর্থ লৈবী অর্জুন রাঙাং
লৈবী ওইরোহ করিনোংদা ॥

নিংলিবত্তবু পুক্লিংদা
পাণ্ডিত মমুংদা মী অদো
মস্থকাও'গী মমুংদস্থ
অথুম্বা অর্থ কোংদোক্কা
ফোংদোকপঙ্বা রাঙাংদা
অথোইবনি শি থানৈদো
রাঙাংহৈবা মীহুতনা
ওমনিদো রাঙাংহুদা ॥

কনা কনাগুম্বা 'মনা
অভোম্মা পণ্ডিত কাংলুপ্পা
মী খু'দিংদা মভোন্নম্মা
খোংদাবা মীপুম খুদিংনা
অর্থ ফজ'বু থাগৎনৈ
রাহৈ নিংথি'বু থাগৎনৈ
অপাম্বা মথল লৈবনা
রাহৈ-রাজা খোক্লে ভাংনা ॥

মপুগী পাওহ্ পুক্নিঙ্গা
নহাকী রাজাং অসীদা
অকি ভয়ঙ্কর শক্তিশালী
রাজাং চৈবক্কী মসুংদা
লাংগোলোক্লাই হুইবা চিংমীও !
নৌল্লুকপা খেম্বা খেৎতুনা
হাইখোক্লিবা নহাক্কী
মকোক খোংথজিল্লি নশাবু ॥

অখেম্বা রাহৈ হাইজিনা
পুক্নিং রাখল মমশনহনবা
তেলবু শান্নিবা নহাক্কা
যুক্তি প্রমাণ চাদবদা
পামশানহনবা উৎজি নংনা
উৎজি নহাক্কা অকিবা
হাইখোক্লিনা রাজাংনা
ঠাওমা হাইদুনি ঐহোক্না ॥

পাংথোক্লোইদবা থবক্তা
মনাই ওইরিবা নহাক্কা
রাব-পুংওইবা অনিবু
কপাবদা মপুরু
খোংদাক্লিবা মপুক্না
'থাম্বা রা হাইখ্রি করিনা?
ফং মাম্নিবা মনাইদা
লম্চিংবা হৌবা লেপ্পরু ॥

নখোইগী তেনাদি থমিংতা
মাংখ্রবা তেলহুদা চিংদা
তেলগী মরমদা সাধুদা
রা কারণ চন্দি সাধুদা
উবা কংলরোই হৌজিক্তা
নখোইনা থিকম্ খোকইদা !
রাহৈ কারণ চনফদেদা
অয়েক্পা অনি মথৈদা ॥

খওবা-বনবু মৈথাইদা
তেলবু মশিং শাকিহমদনা
তেনফাওদসু পিবা লাইনা
চিংথোক্লি তেন্দা কয়া
মৈ কোবা লাইনা ঐহোক্না
পিথরবনি পেন্দুনা
মৈৎচৌনা য়েংহৌবা ঐনা
চংগদৌরি'নো পুক্নিংনা ॥

রাজাংদা সাধু লিচৎনা
হৈরান দৈ ভবা ঐহাকপু
তা'ল'দি প্রমাণ তৌদুনা
করিগী তৌরি নিংবাবু

অতোপ্পা [illegible] [illegible]দা
সাধু ওইবশিং [illegible]

চংখি [illegible] [illegible]
'ফবা [illegible] [illegible] ॥

[illegible] [illegible] [illegible]
লৈতবা ময়ান শিন্নুনা
যৎতবা মী [illegible] [illegible]
মহাক্ [illegible] [illegible]

তকৈবা [illegible] [illegible]
অকবা মীবু যাওথি [illegible]
খুপচনগ মপুঙ [illegible]
মপুক থাক্লিদোকপা [illegible] ॥

বনদা [illegible] [illegible] [illegible]
শঙ্গোদা তেল থাবা মী
শঙ্গো'সিদা [illegible] [illegible]
ঐগীবি [illegible] [illegible]

কনাগী মমন [illegible]
মী মগাকীনি শঙ্গো'হু
ঐগীনি [illegible] [illegible]
ইরম্নি [illegible] [illegible] ॥

অচৌ'গি [illegible] [illegible]
চৎকদবা ব্রত ঐনা
'হুনা [illegible] ঐনু
লেপ্পমক ব্রত [illegible]

লম্বী পিগনু [illegible]
তাকপিরকইদো ব্যাসনা
চাৎপনি ঐনা গুরু'রিবু
লৈতেংনি সাধুশিংগীদি ॥

মশাগী কাম' মেংতুনা
তপস্বিশিংগী কয়রা
থৌজালনি হাইনিংবদা
মতম'মতদা তেল থা'দা

শঙ্গো হাৎলগা শাদান'না
মতেং পাংবা ওইদৌরিনো ?
পাওখুম পিনি'দে মহুদা
অকোন অহান কনা ওইনি ? ॥

শা-কৈশিংগী [illegible]
থৌজান [illegible] [illegible]
লিরুং পাইরিবা ইথুংনা
থৌজান [illegible] [illegible]

মুনিদা [illegible] [illegible]
লোন [illegible] [illegible]
ঐগুরদা মগাক্তনা
কয়ম [illegible] ঐ [illegible] ॥

ঐগীদমক ননিংথৌবা   তেন অস্ত্র কাপথোক্কনবা
ঐগী য়েক্লবা ওক'সিবু   চাংশিবগী মহৈরবু
পিথোক্কনবা তেন মহাকপু   চলহল'দি উথুদ্রবু
অমুক হেন্না নবুক্তেংগী   হেজংপা মুহৈ ওইরোইদ্রা ? ॥

"নিংথৌদা ননিংঙম্না   নিজরোও নকাইন"
শুম্না নংনা হাইবদো   পুক্চেল চাওগী খাঙ্গরোই
করিনা নথেক্কনা   সম্পৎ তৌনিংবা মীনা
সম্পৎ ফংবা হাইজ'না   করম্ শাম'সি মকপনা ॥

নংগী নিংথৌ মগান্না   নংভবা বাইবল হাইচনা
ফংহৌরিবা অপাম্বা   ফংপে নিংদি নম্থেক্কনা
নীতি লৈভবা মী মাগি   কিনিভাইনি থ'লগস্ব
মাহৌরবাইগী মভম্দদি   মবুদ্ধি হেমক মম্শল্লি ॥

নবুক্তেংনা মতাং'সিদা   থাং-টা-লিরু-তেন মহুংদা
নিনিংবা শম্না নিজুনা   নিজ্রিবনিনা করিনা ?
থৌনা লৈর'দি নিংথৌ নে   কাব্রদবনি নিবদি
মথৌনা লৈবাশিংগী দি   লাজ'নি নম্রদনা লৌ'দি ॥

তপস্যা তৌরিবা মীগা   অম্লানবা শিজনবা মাগা
মরুপ ওইনবা মতিক চাই   করম্না হাইরি'নো ? নংনা
মগুণ চেন'গী মগুণ হাই'দা   মমাই ওয়েশোকপা মীচুদি
গুণ চেনবা সাধুশিংগীদি   মহৌশাগী লোনবনি ॥

জাতিগী ধর্ম চাক্রিবা .   . ক্ষত্রি মচানি ঐথোইদি

ধর্ম্মগী মিচৎ চৎতবা
হৃদয়বশিংগা লোইননা
লাঙ্গোই শাম্মুনা লমছুইগা
জীব শাৎপনি নখোইদি
তিম্মকদে অহেনবনা
চাম্নবা মরুপ ওইনদে ॥
(অর্থান্তরন্যাস অলংকার)

হৃদয়বনা খ'দম্নুনা
অহেনবাশিংগী ভপ্‌থবা
পাঙ্গল-সাগৈ মাম্ন'মু'দা
থওই খোক্তবা অমুদি
থওইথোক্ক'দি মগাক্লা
শুমদে কৈরিনো' কাইহনবা
মশেল অমম্বা অমদা
থওইত থওইথোক্ক'নি ॥

হৃদয়বগা খৎনরুবা
হৃদয়বগা চাম্নরুবা
অসুম্বা মাইকৈ অনিদা
রাখল খন্‌বা মী অদুনা
অহেনবগী মীৎচৎ মাত্তিও
অহেনবগী গুণ মকৃশল্লি
ফীরেপ কাইবা খল্লুবদা
লৈ হৃদ'দা খোশাদনা ॥

মরম'সিনা শাদানবনা
ঐনা খাংহুনা লৈরি'নি
মীৎতা হু পুবা মিসদগী
মী মহাকী দশা অদো
খিনা হাই'বু নিপা খোক্লা
চ'শল্লক্ল'দি তেঙ্গ লৌনি
মণি লোমিংবা মখোকী
ক'বা শোহদে মী মগাক্তো ॥

মতৌ অসুম্বা অর্জ্জুন্‌না
পাখোল্লোই চিংমী অঙ্গুমা
লাম্মীশিংগা লোইমন্নিবা
মহাদেব মমাক ভাম্না
'নিংবা কোংলক্লা পুক্রিংনা
শিংলম্নগা কৈকৈ তাইনা
মাইথোং মকা লাম্লিবা
চৎখরেদৌ খুমা য়াংবা ॥

ঈশ্বর ঈপোম হৌওরবা
কিরানশিংদা ফুররবা

লালহৌম’গী কৌরোই ইল্লিবা নোংলিক চেল্লবা মালংবা
হৈনম লৈনম পুরক্লুনা খোংচৎ য়াংলো তাকপগুম্না
লাম্মীশিংফুগী মমাংদা শিংখরেদো মতমতুদা ॥

সিংহনাদগী মখোয়া মনিন খোকৎপা হেক্লৎনা
থাং টা কেৎনবা খোঙ্গেয়া লোক্লুংদা লৈ-চক্রচুনা
পৃথিবীবু নিকুহন্দুনা কোয়ৌ অভিয়া কাওগৎনা
মাইকৈ তয়াদা শিনখরে অকিবা ফংনা নিনখরে ॥

(অধিক অলঙ্কার)

খোমনখি’না কি’পোক্লবা খুৎসু খুৎলাইদা পাইরিবা
মশক মঙং তোঙতান্নবা চৎথোক্লক্লিবা মডাগ্গা
মাইকৈশিংগী মরক্ মরক্ ইভাল ইভাল ভালহনগুম্না
কোয়ৌহনবগী মশেক্লা য়ৈশনথরেদো তগুনা ॥

মাইয়োক্লরিবা মাইকৈগী মাইথোং খুম্লিবা থবাক্লা
লিরি কয়া চিংখিবনা লিরুং মখোল খোকহল্লিবা
শা অনিমক কল্লোক্লিবা মহাদেব’দো লাক্লিবা
লৈরথম্ভ মনাই লক্লা লৈগুম্না নিংথিদা থক্লা ॥

লখীদা অক-ফক্লবা চপমাক্লনা চৎফ্লবা
মাং থাগৎপা তান্নচুনা চথৎনরিবা লেপ্লুনা
শিব লাম্মী তকশল্লকা বনগী মকম খুদিংমক্লা
মুংশাথিংবা মঙ’গুম্না ঙাখয়ে ঙমথৈ লৈতনা ॥

(উৎপ্রেক্ষা অলঙ্কার)

চি'মী লাম্মীনা হপ্তুনা কৈকুৎ লৈরাই উমং মোংশোং
খুম্‌হৎখিবা পুন্সোইদুনা মালেম লৈমা পৃথিবীদা
লোংনা তান্নুনা লৈগুম্মি খুন্নবা থাবা পুন্সোইনা
উপ্পা তান্নুনা লৈগুম্মি য়েংদা অঙকপা মওংনি ॥

চাওরবা খুকুউ খুরাইনা উরি রারি কোইদত্তনা
লাকপগী সাফু মুংশিংনা উপাল রাপাল লৈগন্দুনা
লাক্লিবা নাইকৈবু শিন্না শিব মনাই লাম্মীশিংনা
উপ্ থংনগুম্না বনশিংবু তৌখরেদো মতমত্তবু ॥

মাইকৈ অসোমদা অর্জুন'দো তপস্থানা কংলে য়াংদো
'দ্রবু থল্লি শচীনদি মচুমতাবনা কংলবা
লাপ্সোই শামু মওংগুম্মি মাইকৈ শিন্না চাকপা মৈগুম
নিংথৌশিং মাংনবা মঙাল নিংথিনা পুইদা মশাদা ॥

তেন্দোংলগী খোশাদনা তেনবু থাজৎলি শৎতুনা
চান্নব মরূপ মুংশিগুম্ লাল ঙম্বতবু মুংশিরি
তেল লৌখিবগী খুমুকপু মপুং ফানা হল্লিবনা
মপুক চাক্লিবা লাম্মীদা মীৎয়েংবু থানা য়েংলদা ॥

অন্নাবা কোলাই কোকহন্‌বা তপথব গুণ গুন্নিবা
গাণ্ডীব কৌবা লিরুংবু চেৎনা পাইরিদো খুঙ্গুমু
মশা ক্ষীবম কাইত্রবস্থু মীনা কেন্নুনবা ঙমদনা
লেংত্রবা মুংশিং য়ৈদ'না লৈরিদো সমুদ্রগুম্না ॥

মশাদা চেনবা খোইদোক্লা তপথবা গুণ মহাজুনা

নমহৎত্থুনা মীগী লেম্বা
উন্নিনা কুংনা চৌববা
বননা শুক্লবা চিংগুম্না

উহল্লি মশাগী লৈশ্বা
উপাম্না খুরক চাংব্রবা
লৈরিদো অর্জ্জুন মগাক্ষা ॥

অর্জ্জুনগী লেংবান উবদা
থবাক্কী কীবম য়েংবদা
পৃথিবীগী পোৎলুম্ মাবু
য়ানা পৃথিমী থাঙ্গংপা

মনদম্ব মরুমগুম্মিদা
পাক্লব নুংপাক কুম্মদা
লোথোকে নিংবনা মান।
বরাহদেব ওকুম্মি ॥ *

মরকত মণিগুম্না
থোইদোকপা শকওং শক্তম
শীশেল মনুংদা তাম্নিবা
মীগী মপোক্তা পোক্লবা

মুরৈনম্বিবা কুচুনা
তাল্লিবা জীব নমহৎমা
মতোগুম্না কোক্নোহনথা
মা লাইহুনি “নর” কৌবা ॥

হৌগৎলুম্নবা থবক্তা
তাইবম্পালবু উমখোকপগী
অর্জ্জুন মহাক্কী মনাক্তা
নোংজুখা-নোংনা চিংথক্তা

মহৈ মাক্তবা লৈত্রবা
মক্তুখা মগ্রাল পুম্নিবা
শিবগী লাম্নী অপুম্বা
তারকপগুম্না তারকংগ্রে ॥

মাবু হাৎকনি ত্রৈভনা
মপাঙ্গল কুদোক্লবম্বা
অর্জ্জুন মনাক হেক য়ৌবদা
মতিক মগুণ লৈবা মীনা

অস্তুম হাইনা হাই-হাইত্থুনা
য়েক্লবা লাম্নী অপুম্বা
শক্তিপুম্বা ক্ষ্যাও মাংগ্রেদা
মীতোপকী মাংহৈম্নে থৌনা ॥

---

*বরাহদেব— পাতালদগী পৃথিবীবু য়াস্তোম্না থাঙ্গৎলকপা বিষ্ণুগী অবতার ওক অমুবুনি।

'তুগী ফুংদা ল্যাম্বী পুম্বা
অর্জ্জুন মহাক্কা মথক্কা
থবকপু পাংথোকহল্লিবা
মগুণ লৈবাশিংমক্‌পুম্ব.

মশেল মস্তেং পানহনা
তেনবু কাপললবা হৌখ্রে:
"মস্তেং" কৌবা মখলহনা *
পুনশম্বরদা লমজিংরি ॥

চৎনিংলরা পোইরৈ তামনা
অচৌবা উমং 'পুংদগী
চিংম্‌থ্রী ল্যাম্বী মপৈদগী
মাইকৈ মরি শিন্না তেম্বা

পোম্বীশিংনা সাফু কম্বা
পাইথোক্কপা মতাংগুম্বা
ভুং ভুং ফংল ভংলহনা
পাংথোকখ্রে অর্জ্জুন তম্বা ॥

শিব লাম্বোগী তেন্নাশিংনা
'তেম্বা পুম্বা থুম্বহত্তুনা
কম্বা য়েরবা সুশিংনা
মখোল 'মবু অকিকংনা

চিংগী বনশিং নিংহনুনা
মাইকৈ পুম্বা মম্ভন্দুনা
নোংখোং ফুংবা নোংদাগুম্বা
শন্দোকখ্রে শরাশম্বা ॥

লোক্লুংনা লুবা লৈরবা
খোম্থাং ব্রাংনা চৎখৎলবা
লিকংশিং তুগী মখোম্বা
মফমতুগী মাইকৈ পুম্বা

চিংতুগী চিংথাং অপুম্বা
সফুদগী থোরক্লবা
হোগাই থিঙ্গাহরবগুম্বা
মনিন থোকখ্রে আকবা ॥

মাইকৈ মরি শিনবা থুনা
তেম্বা থুরক হাংলক্ত 'দা
লিরি শিরি শিরি শিৎত্বা
শঙ্গাই শেনগুম্বা মিৎয়েংনা

লৈথক লৈখা খোন্দুনা
অর্জ্জুন কৌবা নিপাদো
শিবলাম্বা মাইকৈদা
তাখ্রে অকি ফংনা ॥

* থবক পাংথোকপদা মরম মখল মঙ থোক্কা থাইদোকই:— মতেং লৈবা, মরমফবা, মকমচাবা, মতমচাবা, শ্রৌগৎলিলিংঙাই লৈবা।

মুনি ওইরিবা অর্জুননা প্রলয় মতম্ গুম্বা তেন্না
মাইরৈ তয়া চিংশনগুম্না লুমিৎ মতাল ফুদোকু্ন্না
লুংশিৎ নোংলৈ চেলহনগুম্না পৃথিবীবু নিকহনগুম্না
লালফম'য়াইদা কোইনা কোইনা চৎখয়েদো ঈথক হৌনা ॥

য়েক্লবা ওম্বা পামহুনা শিব মনাই লাম্মীশিংনা
মতম খেন্নবা লৈতনা খাপ্পকপা তেলশিংবু ফু না
থবক মতম চাদবনা নোম্বা মহৈ য়ালগন্দগুম্
অর্জুন্না তেন্না লমথাংদা থবৎ থবৎ ককথৎত্রেদা ॥

পাণ্ডুমপারি অর্জুননা য়েক্লবা লাম্মী পুম্মা
খল্লুবদা খঙৎম্রবা অরাবা কোঙাই কোকহুনবা
পোইরৈবু তাম্না চৎলবা সামনচিংবা মতেং গুম্বা *
মহৈ মপুংফাহনবা তেল্ কাপত্রে মাশিং লাকতম্দনা ॥

য়েক্লবা লাম্মীশিংহুনা কাপ্পকপা তেলহু অর্জুন্না
লুমিৎতগী খোয়কপয়া ? নিরু'দগী কাপ্পকপয়া ?
'ত্রিয়াদগী পাইথককপ্রা ? পৃথি'দগী ফাওগৎলকপ্রা ?
মুনি হুকচাংদগী পোকপ্রা ? মখল মখল খনখয়েদা ॥

কাপথোকখিবা অর্জুন তেনদো অথুম্বদা পান্নর'স্থ
য়েক্লবা য়াইবী য়ুদনা হেন্দোক্কু্না চৎখিবনা
মপু-মখৌ পাংদবনা মরাম্লংলে মতাগুম্না
মরুলুক্না সাফু ফম্না হিমালয়চিংলুং চংত্রেদো ॥

* লৈপাক পুবগী মতেং—স্বাব, দান দণ্ড, ভেদ পু ৩ দা য়েংবা ।

য়েক্কবা মশিং মাম্নবা
মুনি ওইরিবা অর্জুন্‌না
থাজ মহাক্কী মঙান্না
মহাদেব লাম্মীশিংবু

লিকুংদগী পুন্নপ্ল ওইনা
কাপথোকখিবা তেনশিন্নুনা
খম্বাল মপৈ মকহনগুম্না
মকহন্‌খরে মপুক্কিংবু ॥

চৎপদা লোনম লৈত্রবা
মপোদা খুংবা লৈত্রবা
থোমা থোকপা মওংগুম্বা
য়েক্ক'না তেন্থা ফংলবা

মশাদা মচী চেন্নবা
থবক্ মখল শিজন্নবা
েলগী মপৈদা অর্জুনগী
ওমখিদরে খুমুকহনবা ॥

লৈফম তোংঙানবা মীপুন্না
মাইকৈ শিল্লিবা জাম্মীনা
মচি অমদা লৈম্নিবা
মহাক মহাক্কী মমাংদা

মাং-মাংদা নুমিৎ উওুম্না
পুংয়োম য়োম্বা তেন মঙাক্কা
অর্জুন মাবু মুনি ওইবা
ফাওরক্কে হাইনা খন্‌থেদা ॥

মাঙৈকে মরি কুজরকপা
ওলাংথাগী উকুলন্থুন
কম্না শাওবদগী ওম্না
সাক্কুকনবা অর্জুন তেন্না

মালংবনা সাক্কুকনবা
নোংলৈ খোকহনবা মত্তাগুম্
শাইশল্লকপা মাইকৈশিন্না
লৈহক্কে লাম্মী লোংদনা ॥

তেন্থা মখা থৌওং'সিবু
মশা মক্কাম খোক্তোক্কু্না
'খোইরা তেনবু কাম্লকপরা?
ইশাগী তেনা ইশাদা

তপস্যাগী তৌ-ওখনা
উহন্দনা মুনি'সিনা
নৎত্রপা মাগী মাম্মানা
চঙ্খন্নবু খাবরা ? ॥

মুনি'সিগী মওপনা
চিংশল্লকপা লাইশিংনা

মশাবু থুপচন্নুনা
মংল্লবদি করয়া
সমুদ্র ঈশবনুমা

ভেন থাত্রাগ? উহন্দনা
মত্তোমত্তগী তেন্নশিংনা
'নুক য়ামদরগে? শিন্নুংবা ॥

মগাক 'সিনা ঐখোইবু
ভাইবং পান্বা অসিবু
অমুম্মা মখল মখল
শোক্লবা লাম্নাশিংনা

ওমথিদোৌরিত্রা? লানবু
লৈপন্না? মাংন্নবু
থম্মুরদা য়াখল
য়াখরে অর্জুন তেন্না ॥

খাংওমদবা অশাওবনা
পুক্লিংগী ময়াই কাবনা
খেংঙমদবা লাই নোংদম্মা
লাম্মী থৌনা মাংহন্নুনা

পুক্লিং লৈতা' মাংহগুমা
ফজ'রাওং মাংহনগুমা
নিপা খোকপা মাংহনগুমা
মকাপামথিন্নে অর্জুনা ॥

মকীরান্দা য়োং তোংলা
শিবলান্মী থিক্লাইরবা
ল্যাইজ ঈশিং মতৌগুমা
ইকোই কোইনা লৈখরেদা

অর্জুন মগাকী তেনশিং
মুংশানা কংশুক্লবা
ভুমক-ভুমক অশন্নুনা
য়েংউ-য়েংউবা মাইকৈদা ॥

পাণ্ডুগী মচা অর্জুনা
থুমহৎলগা তেনগী অয়া
নিক্লক'তা লিরি চিংন্নুনা
শিবলান্মীদা পুংশিন্না

ভাইবংপানবু থক্-খা খোয়া
লিক্লংবু কোইরকোইহন্না
অমলাম্মীনা কি'ওয়া
খাদোক্লমখে থাক্লমদবা ॥

মাপল্লগুবা পন্দুপ লোইরে ।

অরানবা চুমথোকপা

অরানবা	অচুম্বা	লামাই
ঙক্তা	ঙক্ন্না	৬
মাদো	মাদা	৭
লেংল্কপগী	লে'লকপগী	২০
চাওখৎলকপদা	চাকখৎলকপদা	৩৮
য়াদন	য়াদনা	৩৮
থাদোক্লু	থাদোক্লু	৩৮
মাদবু	মাত্তবু	৩৮
চেন্থবক্লা	চেন্থরক্তা	৩৯
মাদো	মাদা	৪০
মাংখিদনা	মাংখিবনা	৪০
য়াওদনা	য়াওদ'না	৪০
য়েক্লবন	য়েক্লবনা	৪১
পাওহং	পাও-ওং	৪২
সমগৎ	সম্পৎ	৪২
থোক্লরবা	থোক্ল্রবা	৬৯
হুমথখিবনা	লুমথখিবনা	৬৯
খংদবা	খংদনা	৭৮
খণ্ডবা	খাণ্ডব	৭৮
শোহদে	শোইদে	৮১
তান্না	তানা	৮১
পৃথিমী	পৃথিবী	৮৪
মহাক্কা	মহাক্কী	৮৫